বৈশাখ মাসদা পোকপা।

সৌর বৈশাখ মাসদা পোকপা মীদি মখাদা হায়রিবা মীশিং অসি ওই মাহুদি:—

মীওং— মতিক মগুণ চেননি, মীগী মানবা চৎপা হৈনদে, মমাঙবা খংদে, মথক থোংবা খংদে, করিগুম্বা থবক—ইখাইগী মানা তিম্রব্বাদা মাহুগী অসিনবা মকোক ওইনাতা তৌগনি। মহাককী মশানা মীনা থোদারগা মানা মফম খংদনা হুকুমগী অতাকিন্তা মতৌগা লোইরে হায়বা কৈলোম্নুংদসু য়াদে। ফগে কৌ, ফংলোই তোকউ, তৌরিবা থবক অদু মানা তৌবদা য়ামগা হৈ হায়বা উংনবা তৌই, মাগী মশাদা লৈজবা মগুণ অদু মীখাদা লৈরবদি মহৈ মসিং অমতা থোক্কে।

মহাকনা মীবু তাকতুনা খোংতুনা শিন্দুনা থবক তৌহনবা য়াম্না হৈ, মাহু তৌরগা মহাককী অনৌ অনৌবা ফাগৎপা যুক্তি অমা হেনগৎলি, অদুমনদি ওইরগা থবক অদুমক মশানা মপুংনা লেপ্না পাইদুনা তৌবদি করা হৈতে। মতিক চাবা নী অমদা তাকতুনা শিন্দুনা তৌহনগতদা মহৈ মসিং থোকই।

মহাককী ফোকতা থোপ ইসা সাগংতুনা মতম অরাম্বনা লৈ। অদুনা করিগুম্বা থবক অমত্তদা চিকনা হংনা লৈবা য়াম্না য়াই। করিগুম্বা নাসিংগী হেনগৎ হায়বা অফানবা নিয়ম অমগী মতুংদা লৈরবদি মহাকনা ঐ য়াবে হায়না নিংই, নিপা অসিনা থাইনগী

চৎনরকপিদা মাহুতা চু পাইবগুম পাইহুনা লৈবা য়াম্না য়াই। মহাকনা পামই, চাউখৎপা মাঙোন্দা পুমননককী অনোংপাবু ইট উবা, গুম্বা পাঙ্গল নৈ, অহুনা শেংদোকপা চুমথোকপা পামই, মরবা অনৌবদা হোংগনি।

নিপা অসি শান্তি পামদে, মহাকনা পাহাদি থবক য়াম্না তোম্না য়ামনা নোম্বগী মুডাইবা অনা লৈবা- অতুগী মুডাইবা শান্তি অহুতা পামই, মপানদা মীনদি মবু অপুনবা গুম্বা মানা পংতোক্ত তৌ-বওইনা উবা য়াই, মরমদি নিপা অসি থৌনাফবা অমগুম নপিতম্বা স্বাধীন ওইনা চৎপা মীনি। নিপা অসি উৎসাহ য়ামনা লৈন্দুনা মানা তৌবা থবক অসি করি করিগুম্বদা মাং তুংগী থনথদনা পাক তৌশিনবা য়াওগনলি।

নিপা অসি সম্মা হাঙ্গৈরবদি অওইবা ঙাংগনবা অদ্রাংবা অত্রৈবগী দমক্তা হোৎনহুনা লৈবা ঐনা তৌরিদনা হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈবা নাপন থাংবা, থবক খুদিংমকতা ণৌনা উত্তুনা থিজিনগদবা মতিক নহুন চেম্বা মীনি।

নিপা অসিগী মহাকনা য়াম্না কম্না লাকসিন্নবা হেংলুম্দবা লিচং অমা লৈ মাহুদি মরম পুম্নমক্তা অফবদাসু ফওবদাসু থরা থরা হেন্দোকনা মাঙোন্দা উই, মী অমদা থোকলবদি কন্নিক্লেবা, মাঙোন্দা থোকলূরবদি য়াম্না হেঙ্গৎনা মহাকনা উই; মাহু নানা থংদে। মাঙোন্দা থজিক্তং ফহেবা অমা ওইরবদা মানা মাহুক্ হান্না চত্তরে নিংই, অফবাসু থজিক্তং থোক্রবদি য়াম্না ফখরে নিংই, মাতিক লাকশিন্দরবদি "অভিরঞ্জক" ওই। মাঙোন্দা অফবাসু হেন্না

[illegible]

[illegible]

[illegible] ([illegible])।

[illegible]।

[illegible]

নিপা অসি মাগী মপুমসি চুপপা লাংলোন য়াম্বা মীনি। মায়া অমোক কাখৎপা য়াম্বা মীনি, থবক অমা তৌরবদগী লোকখা মাম্লনা ওনবা ২ চৎপা নবেদনা চৎতুনা মাগী পুমসি মাকি। অতুপা মাসিস্তু লোইদনা ওইগনি। মানা পোকপা অতুপগীদি এংবদা উদবা মথৌ ম'ং ২ রাংখংকনি। মপোক অকবা চাওখৎপা মরম য়ামনা তোইনা থেংনগনি, মচাকি থৌয় সাগৎপনা চয়াংমগনবা থর লৈবা অতুনা মাংহনদরবদি চাওখৎকনি।

মানা তৌবা হৈনগনবা— নিপা অসি মীয়াওদনা তৌবা থবক পুরমক তৌবা হৈনরেদ্বি। অতুগা মানা তৌবা ইরোং হোংবা য়াদবা অতুম হঙ্গন ২ তৌবা থবক তাং হৈনরোই। মানা তৌবদা হৈনবা থবক্তি থবক অতু ইচেন উসিংওমনা অহোংবা মশক ওনবা অতুপা অনৌবা হাপ কাপৎপা অমুওম্বা থবক মাতুমক্তি রাখন চংবা অতুগুমবা অতু মানা তৌবা হৈনৈ।

চাকরি তৌবাবুদি মীনা মানা মাতু তৌই, হোদোকই, গুয়া থবক তৌবনা হেয়া পামই, মাতুগুবা থবক তেমনা হেয় মাতুগুম্ব' অতু তৌরগা মাগী মগুন অতু থোকপা তমই।

অমে ইতিক তৌরবদি শেলেপ কুইনা তিংদবা থুনা থোক য়োনশিন তোবা ওনবা পকনৈ, হৈনৈ। মাতুনা থবক মমা চাওবা পইরবদি লোইদনা থবক তৌবগী মতৈ য়'নগনি

নিপা অসিগী পাক হেক্তা তৌগনবা কয়া থমুদনা থব মায়াবদি হেক্তা তৌগনবা থয়া লৈবা মথৌশা অমতমু থাং

যানা তৌবদা ওৎলোইদোবা থবক ইয়াও য়াওদে, মাগী মপোক্পা গ্রহসিংনা থুগাইত্রবদি মাগী মশাদা থবক তৌবা ঙম্বা মগুণ লৈরিবা অহু থচৌবা অকাঙবা অমা ওইগদবনি। শ্রীরামচন্দ্র, শ্রীবুদ্ধদেব, শ্রীশঙ্করাচার্য্য, শ্রীরবীন্দ্রনাথ মখোই অসি বৈশাখ মাসদা পোকপনি।

মুপী থিবা— মুপী-থিবা য়ামনা চোংশিন্না হোৎনথোক্রবদি মুৱানবা মুঙাই-রোই, য়ামনা নিংব থুংলোই। থিরুবা মুপী অতুনা শ্রাবণ থা নত্রগা মাঘ থা দা পোকপা লৌরুবা, থোকলবদি অমাংবা ওইগনি। লৌগদবা মুপীদি রাশিদসু পকনরগা ভাদ্র, কার্ত্তিক, পৌষ থাদা পোক্রবদি য়াম্না মুঙাইগনি নিংবা থুংগনি।

হকচাং—কোক ঙাওগনবা কোক চিককনবা মীত্তানি, অতুগা মুমিৎ চুপপা বাখনত্তা তৌত্তুনত্তা লৈবা মী ওইবনা কোক্তা ঈ কাবা ইশ্বরাই-দগী হেন্নি, অতুনা কপি কনিংবা মতমদা তুম্বা যাদবা অনাবা তৌগ-নি। অমসুং কোক্তা, মাংতোন্দা খোংপাংপা, পাথোকপা, ঈ তাগনবা য়াবা অশিবা লৈ।

নিপা অসিনা কাওরোইদবদি-মাদি মশা ঙমত্রবদি তুমিন্না চিকনা নিংথিনা তুম্বা ঙমলবদি অনাবা হেক্তা কোকপা য়াই, মংশাথিনা, অশান্তি ওই-বা, অরাবা বাখন যামনা তৌবা মাখোই অসিনা হকচাং যামনা মাংহনগনি।

——:(।):——

জ্যৈষ্ঠ মাসদা পোকপা।

মীওং জ্যৈষ্ঠ মাসদা পোকপা মীশি ইশ্বরাইগা মান্নদবা মীওং-দি দৃঢ় প্রতিজ্ঞা অমসু সহনশীলতা অনি অসিনি, অতুনা থা অসিদা পোকপা মীদি তৌগে হাঙৈমা লেপত্রবদি মহিন্নাসু হাইত্রবদি মাহু থক থাদোকাত। তঙাইফাদ্রবা মক্তদাসু সিতংনবামথৈ য়াম্নবনা মাগী মীওংনি। অতুমনদি ওইবগা মাগা চান্নবা মুংশিনবদদি য়ামনা মেংই। মাহাক অসি থাংবা য়ামনা কননি। ইরাই লাইনা সাওগনবা তৌদে; অকপা মাৰু সাওহনথররবদি থণকাওগুমনা সিনি নানি থ.দনা সাওই।

সাওথরবদি হনথাইনবা য়াই ।

নিপা অসিগী মগুন অমা লৈ মাহূনা মীবু লাকসিনবা ঙমই, মহাকনা ইথংথংদনা মীনা মাবু হেক্তা কিদৈ, অসিগুম্বা মগুন অসি লৈ। নিপা অসি আত্মবিশ্বাস, অমসুং আত্ম মর্য্যাদা ইকোং কোংনা লৈ, অরাবা ভাৱবদা পূক্নিং ওপথবা (ধৈর্য্যতা) অমসুং মাংতুং এংবা চৎপা অসি মহাকী মহৌশানি।

নিপা অসিগী ভৌগে নিংবা, ভাংগে নিংবা য়াবু চেৎপা, মাহুন-ক্তনা মানা হৈজবা, সিংজবা, মহৈ মসিং লৈজবা অহুদগী হেননা লৈবা ওইনা মীনা মাবু নিংই। মাহুগুমনা মাগী সম্পত্তি অমসুং শেনমু মাঙোল্দা লৈজবা অহুদগী হেনন। লৈবা ওইনা মীনা নিংই।

লাইরিক লাইসুনচিংবা মহৈ মসিংদা মচিনদা পুগনজি. মীগী-মাম্নবা তম্বা সিমক্তবু য়ামনা হৈগন সিংগম্নি, অহুগা মানা কাবা, হৈবা বিষ্টাসিং অহুগী মহুংগী অকুপপদি থংবা য়াই।

নিপা অসিনা য়াবা, মাগী এপাম্বা, হৈনবা হৈনদবা অসি য়াম্না কোংনা লৈ, মী কনাগুম্বাসিংনবু মা করি পাম্বগে, হাঙবা মীনা এংবনা ইথং থংদে. মাহুগুম্বা মী অহু মহাক্তি নত্তে, মানা য়াবা হৈনবা পাম্বাদি মপানদা মীনা হেক্তা থংই। মানা য়াবা মীদদি মশা ফাউবা পীংথাকপা করি অমতা হালেংদে। অমোক মাগা এংখিনরুবদি লোইনা নমম খুমত্রিবা মথৈ সুপথা থাদে।

নিপা অসি নোংমম্বু য়ামনা থাজবা মীনি। কনা থবক

তৌহনৱ মীওইবদি নোংদমনা ভবনি. লাইপক্তবু তমদনা কনানা করি ৱংবা হৌনবগে হাঙবা অদৃষ্টবাদীনি। হাঙৈরিবা য়াথন অসিনা কয়া থাজমহনা মুমিংচুপপা ঈশ্বরগী মপুন্‌সি অহু হাপচিল্লুনা অমরোমদদি লোমহনা করি কায়গদগে নিংহনা অতনবা মী--মক ওনবা য়াই। হাওনা কজনা চাগনবা মীনি, মরূপ মপাং সাগৈ চাইবু চাকখৌহনা কৈরোই নৈকাইবু ময়ুমদা পিজ— পিথক্না পেলহনবা য়ামনা পামগনি।

লিপা অসি একনিষ্ঠ ওই. মানা থাজবা, য়াবা, অমস্থ পামখিবা অহুতদা চু পাইবগুম পাইহনা লৈবা মীনি, অহুনা মীবুস্থ মাহমনা একনিষ্ঠ ওইসহ্ নিংই। অহুনা মীগোন্দা থম্বনবা খোইরাংবা য়ামনা লৈ। মাহ্ পুক্নিংতনা তৌবা নত্তবা মচিন্দাস্থ খোন অচনা অকাইবা একনিষ্ঠ ওইদবা উরগা খোন্দাথিনা হাঙগনলি।

লিপা অসি থাজৈশেংবা রক্ষণ শীলনি, অহুনা থাইনগী চংনরকপা লিচং অমস্থ হৌনবিগী খোরী থদংপা পামদে। ধর্ম্মদাস্থ সমাজদাস্থ অহমগাই, হোংদোকপা অমস্থ অপোলন তৌবা পামদে। মীনা মাগী অসিগুম্বা রক্ষণশীলতা অসি মীনা কনা যুক্তি কর্ক তৌহনস্থ খৌওইনা তারোই। করিগুম্বা মানা অনৌবা ধর্ম্মবু রাজনীতি ওইরকস্থ সামাজিকপুস্থ অহু মগাই, থাজখিবা খোকলবদি থম খেংনা থাজখিহনা হায়গীদা আমোক হুজনস্থ হাঙৈবা য়াত্রে।

লাইপক— লিপা অসি মরাইপক য়ামনা কঁবা মীনি, এনাক কৈয়াক থুন্‌গনি। মাগী মরন মঁথুমদি লাইগুরুদগী থম ওইনা ৱংহৌবনা অয়াবা ওইগনি। মহাকী সম্পত্তিদি স্থাবর সম্পত্তিনা

লৈগনি, নত্রগা প্রোমেশ্বরী নোটকুম্বা লেংদবা সম্পত্তিদগী অতোং-বনা লৈবা এনাকনি। মথাইপক ফবগী হৌনবী মীওন্দদি য়াম্না বেড়া-সবা তৌবা অদু মাগীদি খক তৌদে হাঙ্গীবা য়াই। মাগী দোষদি— তনাই, অদুগা মুঙাইনা ভুমিন্না ফমদুনা হিপদুনা খোরেম তৌদুনা মতম লেনবা যামনা পামজ।

মানা তৌবদা হৈনগদবা—নিপা অসি অচৌবা হান্বা মানি, অদুবু মনা লক্ষণশাল ওইবনা হাংদোক অমসু শেমলোকপা শেং-দোকপা শানদে। মরম অসিনা মহাকনা অসিগুম্বা থক্তা তৌবা হৈনগনি মাদুদি— মহোশাদগী সুন চৎনকপা থবক অদুগুম্ব থবক্তা মহাকনা দায়িত্ব পুবা অচৌবা খুবম ফংবা মতিক লৈবা মানি। নিপা অসি দয়িংজ্ঞান যামনা মশাদ লৈ, অদুনা মসনা থবক তৌবদা অচৌবা পদবী ওইবা নীন অমসু সরকারগী থাক লৈবা সানা যামনা মশান অমসু মতং পাগনি।

সাবকারগী থবক তৌবা পকনৈ, কন্ট্রাক্ট সবকারগী থবক নক নত্রবসু জমিদারসিংগী থবক তৌবসু যাম্না পকনে। অদুগা নম্নাইগী থবক তৌদুনা লনোন ইতিগী তৌবদি জন্মকুণ্ডগী অনৌবা যাগা লৈ-ত্রবদি হৈননাই।

স্বপাথিবা - নিপা অসি স্বপ্নসিংনলি অমসু থোন অকনৌ য়াম্না লৈ (নিপা স্বপাগী পান্নবা য়াম্না পামই) অদুনা চাং মোনা মু-হোংবা ফত্তে, থবা লিরগা য়াম্না পকনা রাইনা চাকগিম্ন এঞ্জনা যন্ত্রতৌনা যুমবানবা চুমই। মরমদি অপাম স্বপ্নসি চাওনা ঐবাই নাইনা লৌনা খোৎনবা য়াদবাগুম্বদা কোকপান্নকদুনা মমৈদা য়মু্না মুপ্পাইতবা ওইবা য়ানা লৈ।

নিপা অসিগী জন্মরাসিগী পকনবা মুপী অদুম অগ্রহায়ন, আশ্বিন,

নত্রগা মাঘ থাদা পোকপী ওইরবদি সুপী অহুগা থারবদা করিস্থু অকাইবা থোকলোই ।

মরুপবীগা আশ্বিন, অগ্রহায়ণ নত্রগা মাঘদা পোকপা মীগা তিন্নরবদি চেংনা চারগনি, মরুপ লৈবগী কারবা ফংগনি । মাহু কংব্রখংদু দ্বিতীয়া, নবমী তিথিদা পোকপা মীগা তিন্নরবদু থকবে ।

হকচাংগীরা হকচাং মরু চোকসিনলি, মায়া ইক । সিপা অসি জীবনী শক্তি য়াবই, মহুনা অতৈদা হেক শিবা মাবা অহু মামীঙদি ঙিবা মাব পাবল লৈ । মাগী হকচাংগী কান্নবা সাবেনদি ব্যায়াম তৌনবা ইংহন হংনি । মতগা মায়া চাবা অমসু হুণ্ডাইনা লেংওত্তনা পোৎথাবা মন মংম হকচাং ফত্তনবা ওই । থৌনাও মরিল, ঈশিং থোংগী মরিম ফত্তবা, মসুংগী মহুদা ঈংহেন্না চেনবা, অমসু হকচাংদা সাগৎপা অসিঙবা লাইনা তৌগনলি, নোইথোকপা অহিং অসু চাওবা, হৃদরোগ তৌগনদি ।

:(।):

আষাঢ় মাসদা পোকপা ।

মীওং— আষাঢ় মাসদা পোকপা মীদি পুকনিংদা অমসু মানা তৌথোকলকপা লিচত্রাসু অনি ২ সুই । অনি অহুমকতি য়ামনা মাননাদ, অমনা মাইকৈ অমদা, অমনা মাহুগী ওয়বা অমরোমদা হোলই, অহুগুম্বা ওন্ন-তৈনবা পুকনিং অমসু লিচৎ অনি ২ অহুনা মাঙোন্দা তিন্ননা লৈহুনা মাবু অমনা অমোক অমনা অমোক চিংহুনাতা লৈ ।

মিপা অগিনা পান্বদি— মতম অমত্তদা ইতিন তিননদে, অকম অনিদা লৈনিংবা অমসু মাহুগুম্না থবক অমা তৌরিঙৈদা মাহু নত্তবা

অমা হেকতা তৌবা অসিনি মীস্নমনা পাম্বতা নত্তনা মাহ্ন মাহ্ন মানা. তৌদবা য়াদবা ওইনা হেকতা থোকই।

নিপা অসিগী লিচৎ অসি মাসি মওইবে হাঙ্গৈবা মী অতোপনা খংবদি থমলহনা মাহাকমক্রবু মহাকপু খংবা য়াই। মরমদি মহাক্তী কাম্য (মানা ফংগে হাঙ্গনা তাল্লিবা অপাম্বা) অহ্ন মহাককী পুকনিংদা অনি থোকনা লৈবা য়াই। মরম অহ্না মী অমবু য়াম্বনা সুংশিবস্বা চান্নম্বা অহ্ন খুৎথক অহ্নমক্তদা মীহ্নবু এংনিংদবা এংখিনবামক ওইনা হেক নিংবা য়াবা অসিগুম্বা লিচৎ অসি লৈ অহ্না নিপা অসিবু ঐগী চান্নববা এংখিনববা হাঙ্গনা লেপ্পা য়াই। মাসিগুম্বা নিপা অসি পিনহৈবা বদান্যতা ওই, খুৎথক অহ্নদা য়াম্না লিকপা কৃপণতাস্নু ওই। য়াম্না থৌনা কৈ, য়াম্না কিগল্লি অহ্নগা হান্নগী ধর্ম্ম লিচৎনাচিংবা থাদোককন্দবা রক্ষণশীলতা ওই, খুৎথক অহ্নমক্তদা থাইনগী লিচৎ ধর্ম্মনাচিংবাবু হোংদোকপা শেংদোকপা পাম্বা— উদারনৈতিকতা ওই। থাঙ্গৈমকশেংবদি নিপা অসি কল্লিগুম্বা মরম অমদনা শেন পিথোকপা তিং.থাকপদা হলেংবা পামুবা লৈতে, অহ্নগা মরম অমদনা লিকপামক্তনা ফদিংগাম পাথোন ওন্না হাঙ্গৈবা মীতা ওই মাস্নম্না থবক খুদিংদা মরম পুম্নমকতা অনি অনি থোকই।

নিপা অসি সমাজদা প্রতিষ্ঠা ওইবা তরামচা ভিন্নরকপা মফমদা মকোক ওইবা লৈপাককা সমাজগী ফনবা তৌবা নীওইবগী অল্লাংবা পুকচেল অহ্ন ফংবা পামই, অহ্নগুম্বা প্রতিষ্ঠা অহ্ন ফংলগদি খুৎথক্কা হেক্কা মাহ্ন পামলক্তহ্ননা হল্লেকই, মাহ্নগী ফত্তনবা তৌবা অমবু হেকতা পামগল্লি।

অসি অসিগুম্না অনি অনিথোকপা অসিনা নিপা অসি মশাদা অচেৎপা লেংদবা পুকচেল ওইবোই। অতুম্নদি ওইরগা নিপা অসিনা মাগী অমা তোরম্বদগী অমা হেক্তা হোংবা অসিমক্তগী হোংদোক হোংজিন তৌবগী থবকমক্তনা মশা অসি পোত্থাবা ফংলোই, মুমিৎচুম্না নোমহুনাতা লৈহুনা অতনবা লৈতবা ওইগনি। মুমিৎ চুপপা পুকনিং ইরাংতা লাংগনি।

নিপা অসিদা মাগী মানসিকতা য়াম্না প্রবল ওই, হাঙৈবদি পুকনিংনা থনবা রাথন অসি য়ামনা মচিন থোই, অতুনা বুদ্ধি য়াম্না কৈ, মীগী ইঙ্গিত য়ামনা খংই। কূটনীতি (য়ামনা লুবা মীনা খংবা ঙমগনদবা নীতি) অমসু ধীশক্তি (বুদ্ধিগী বিচারদা য়ামনা হৈবা) অনি অসিনা সিজিন্নগদবা মফমদদি মাবু মীনা পাবা ঙমলোই, মানা হেক্তা ঙমগনি।

নিপা অসি বুদ্ধি ফবা মী ওইবনা মবম পুম্নামক্তা যুক্তি তর্ক তৌহুনা লেপপা জ্ঞান অত পামই। মবম অতুনা বুদ্ধিনা লামবা ফংদবা যুক্তি অমসু তর্কনা ফংবা ঙমদবা "অতীন্দ্রিয় ওইবা বিষয় মক্তদাসু মাগী বুদ্ধিদা হাপচিন্দুনা বিচাব তৌনবা হোৎনৈ। মরম অতুনা অতীন্দ্রিয় বিষয়দা থাজগনলোই। মহাককী পুকনিং অসি মতম পুম্নমক্তা থাজদবগা চিংনবগা অনিগী মরক্তা হুং অনিগী মরক্তা হা ওনবগুম ওন্দুনা লৈগনি।

নিপা অসিগী থোপকী পাঙ্গলদি ইথ্বাইগা মান্নদবা পাঙনলে, নিপা অসিগী প্রতিভা (অনৌ অনৌবা থোকপা লৌশিং) অমসু লৌশিংগী পাঙ্গলনা মীবু ঙকহনবা ঙমই। মাগী মশাদা অরুবা

ইংরেজ এৎসিন্নবা নীতি খনবা হৈবা মবমনা মাগী মমাংদা মীগী অসোইবা অসি লোৎতুনা লৈবা ঙমলোই, মানা হেক্তা থংগনি। মরম অসিনা মীগী অসোইবা অতগী মথক্তা কনেম কথাইনহনা মী অতুবু কৈস্নু লৈতবা ওইহনগনগনি।

নিপা অসিগী পুকনিংদা ঐদি অথংবনি অমস্তু অচম্বা তৌবনি, অসি নিংগনি অহম্নদি ওইরগা মাংডোম্দি ঙসি অচুম্বা ওইনমখনা হৃদয়দি চুমদবা গুইগনি, ঙসি ফবম্বনা হোন্নদি ফত্তবা ওইগনি অদুনা মথুক্তা ওনক ২পা অত্তু মচিন্ন হাঙ্গিদোকপনা ডাংদা অংরম্বা লৈতবগুম মীনা উগনি।

নিপা অসিগী পুকচেলগী নরমদা তৌথবিবা বিচার অসি মশাংবদি ফনদি সিংতুনা মথাক্তা মাসি তোই হাইবা য়ানংলোই। অমগা মী অমনা থংনা মুননা বিচার তৌদুনা যেংলবদি হাইরদিবা পুমনমক অসি করিস্নু সোইরোই। অপাম- কুংশিগী মমবমনাস্তু অসি মভ্রাই, মাগী মুপীনা মাসি মওাইরে কুংশিবাদি নিংলমগনি, ফংবা মুপী অমা উক্রুমগা মাহুবুনা হেননা হেক্তা পামগনি, মতুনা শম্না পাননিঙ্ঙেদা অমস্তু অহম্মক থমতুনা মুপী অনিদা প্রেম লৈবা নিপা ন।

লাইপকী রা,— নিপা অসি লাইরবা মচা ওংনা পোকনস্তু এনাক কৈরাক থুনবা মচা ওইনবু পেক্রবস্তু মাতুনা অংগু ও কেংই মগী দি মশানা নোমহুনা তানবা নত্তনা কনিমন্তা লৈংত মানা তৌনবী কাইদনা নোমহুনা তাম্নবদি "নোম্বনা লাইপক ফবী মনাংনি" হাইবা অদু মাঙান্দা পানগদবনি মাঙোন্দা নোঙ্গমনগী পাগ্ররবদি মাগী খাংমুপ শাগৈগী মমুংদা মহৈ মসীংদস্তু এনাক কৈশাক থুনবদস্তু মামা মকোক ওইনা পানগনি। মহাককী মপোককী ওইনা অনি

থোক্কনবনা মাগী লাইপক ফনবা তানবদস্থ অক্সমক তৌগনি। মাছুদি লাইরিক তম্না তম্না থবক তৌনিংগনি, থবক তৌরিঙৈদস্থ বিদ্যা তম নিংগনি। থবক তৌনপে হাঙ্গিত্তনা কর্ম্মক্ষেত্রদা থোবক্লবাদস্থ চাকুরী তৌনিংগনি খুৎথক অতুদা ললোনবনবু কৈ নিংঙ্গনা চকুম্না পামগলাই লৌ উনে, হিংগোল কোইবনা ফনি মাসাগী শরুকপুদি নংচৈংকনিংগনি মরম অসনা নুপা অসী থবক অমত্তুংতদা চু পাইবগম্না পাইনবদি [illegible] থবক [illegible] অনা [illegible] অমগ [illegible] চংগনি, লাইরিক তম্না [illegible] তৌবে [illegible] মাস্ম [illegible] তৌবত্তদা [illegible] অইন [illegible] [illegible] নত্তনা [illegible] মগী [illegible] নগনি।

[illegible] নুপা অসনা [illegible] কৈনগদবা অমস্থ [illegible] গাদবা থবক য়াম্না [illegible] থবক [illegible] মাত্তদ [illegible] ফত্তাগুমা [illegible]। অতনা [illegible] বানসায [illegible] মনী খুনা [illegible] চুমই লাবা [illegible] শাবগা [illegible]নি। মাগা [illegible] বকুত্রা [illegible] বা [illegible] পৈ। [illegible] নুপা অসী [illegible], নিংসি বা মত্তুনা [illegible] বা মীনি, অনৌ ২বা হৌদোকপা পামম। নুপা অদি মতম অমগুণ

থবক অনি কাংনা তৌগনলি। মুপা অসিগী পুক্রিং লেপ্লবা অসি মাগী দোষনি, মাহুতা তৌদনবা হোংনহুনা ওমপবদি মানা তৌবদা থংদ-হুনা পাংদহুনা তোকদবা থবক অমত্তা লৈতে।

মুপী থিবা— নিপা অসি মাগী হৌনবী অনি ২ থোকনবা মীতা ওইবনা বিবাহদস্যু মাহুমনা অহুমক তৌগনি, মাগী মুহোংবা মতম নত্তদা বিবাহ তৌবা যাবা মুপী অনি হেক্তা মুহুনা বা হেক্তা মামনবগুমনা থোকনলি। অতুগা মুহোংবস্যু অনিবক পাংবগুম তৌবা. নত্রগা মুপী লোনশনবা মীতানি। নত্রগা অমা যুমদা পান্নবিতে মকুদা লমদাস্যু অমা হেক্তা থম্বাগুম্বা তৌগননি। অ সওঙা মুপীথীনগী সমস্যা অসি দগী কোক্কে নিংলবদি ওন্দরাসিদা পক্ত্ববা মুপী অহুনা কন্তিক পৌষ নত্রগা ফাল্গুন থাদ। পোকপা মুপী লোয়নশি বেবা সবা তৈরোই।

মরুপ— অষাঢ়, কর্ত্তিক নপগা যান্দনবা পোকপা মীগী মরুপ ওইনরবদি চেংনা চান্নবা তিননগান, প্রতিপদ অষ্টমী তীথীদা পোকপা মীস্যু চাননবা তিননবা যাই।

হাকচাং— নিপা অসি মশা যাম্না ফক্নে হাঙবা থোকলোই শিং-লীদা ঈ চংপা সেইবগী অনাবা তৌগনবা মীনি। থোইদোকনমক মুংশাথিব, অরাব খনবা, অসি যাম্না তৌবদি নাভীনগুলগী অসোন-বগী পোকপা লাইনা মযাম অহু ওইরকনগনি।

নোমনিকপদা পংহেন হেনবা অহুগা পংতো তৌসিনবা নিয়ম লাইত্রবদি থবেস্বাদা লাইনা ব্রোঙ্কাইটিস, নিউমোনিয়াগুম্বা তৌগনলি। অঙাং ওইথিইঙদা লৈ থানা বা ডাংই, বা ময়েক শেংদনা ডাংই। অঙাং ওইথিইঙদা মংদা ইচোই চোইবা উবা অনাবা তৌবা যাই, যাহু চাওর চাওরগা মথন্তা তোকচথিগনি।

——:০:——

শ্রাবণ মাসদা পোকপা।

মীওং— শ্রাবণ থাদা পোকপা মীদি ইথরাইদগী মান্নবা ভাবতা অমা নৈ, মাহুদি— ভাবনা পুবা ওইহুনা পংথন থনহুনা মাহুনা হুঙাইখিহুনা ওইথোক্তবা রাস্তু ইওই ওইবগুমনা ঙাংথোকপগুম তৌবা অমা নৈ, মাহু মী অতৈদা পংন উদে।

নিপা অসি পুকচুংদা ঐনা তৌরিবদু হাঙ্গবা চাউথোকপা নৈ, অহুনা ঐনা তৌরিবা অসি মীনা থাগৎসহু অস্মনা নিংই, অহুগা মাহু মপান থোকনদি উহনদে, অহুনা মীমদি মাবু থাগৎলগা পামই হাঙবা থংদে। অহুনা নিপা অসি থাগৎলগা য়ামনা কৈ, মীনা থংদহুনা মানা তৌবা থবকত। থাগহুরবদি মহাক্তি হৈনিংদে অমসু পাংদে।

নিপা অসি ভাবনা সাবা য়ামন, হৈ অমম্ব কাওগন্দে নিংশিংবা য়ামনা কল্লি, অহুনা মহাকতি কাম্নদবস্তু কান্নবদস্তু মনম পুমনমমক য়ামনা থংগল্লি, অমসু মহাকনা থন্না হেন্না পাম্বদি থাইনগী অরিবা হাঙবসিমস্তবু থ কৈ, পামই। থাইনগী রা, অরিবা পেং, থাইনগী রান্নী, মহাকনা পানগনল্লি। অহুনা মমাম্নবা মীগা তিননবা কন্না পামদে, অহন্নমন মধককী অহনগা তিনগল্লি।

নিপা অসি ভাবনা পংসা সাহুনা পঙাং ঙাংগনবা মীবু হুংশিগনবা চানগনবা মাতানি। মনম অসিনা মতু, মচা, ইমুংগী মীদা ইথরাইন হুংশিবা চানবদগী মানা হেননা চাল্লি হুংশি। অহুমনদি ওইরগা নিপা অসি লমদা চৎকনল্লি। কোইনা কোইনা চৎপা পামই হৈনৈ, মাহু থক থাদোকপা ওমদে, মফম অমদা ভংতানা লৈগনদে, অথোক অমদা হেকতা হোংবা নত্রবদি লৈবা ওমদে, মাস্নমনা ময়ূম থাদোকতুনা চত্তবা ওমদহুনা চৎলগদি হুমিংচুপপা য়ুমগী মী মতু মচাতবু থন্দুনা ইঙাও হেক ঙাওবমখৈ ইন্নাং লাং–

হুনা লৈ । মাসুম তৌহুনা মাগী মপোক অসি ঊংনা প্পানবা থক তুমদে ।

য়ামনা নোঙ্মা তনদে। অদুগা থবক তৌবতাদ মাগী ভানবা পাংসা সাহুনা খনবা অদুগুম্না ফৈরেং ভুবেং তৌগনলি অদুমনদি ওইরগা কনাগুম্বনা মাবু যাম্না থাজনা সিন্নববদি অতকপা থবক তৌবগী মখেদি নিংখিনা চপচানা তৌবা ওমই, অতাকপা অদু ওই- দনিবা মখে হোৎনবা তনদে। মাবু তাকপা মথক্তা যোংবগী রফম অদুগা গন্দুনা বদাইদা সোইগদাগে হাঙ্গনা থন্দুনা ভাক্তা লে ।

মপানগী মীনা গংবদদি মপোং চোকশনবা, অদু মীনপা চাংনাইনা পেন, তৌগা মা ওইনা উগনি, মতুদা খাৎনা পান- গদগে খনবা মীন, অদুগা মসুংদদি ভবনা পুবা মাগা ওইবনা মাগী ভাব অদু লাক্লগা মাগী ঝোককো মতুংইন্না অমোক হেক লিবসন অমোক ছোবো-ভবা তৌহুনা পমুবা সুপথং খংদবা মী অমোক ওই ।

নিপা অসি মিৎনানা ইন্দ্রিয়না থংবা তমদবা মবনদা লইগী তিনগী লাইবা তিনবাগুম্বাবুসু য়াম্না থাজে, অদুগা মানা মাহুতমবা অদুদা যাম্না শপ্পরবদি মতাচাবদা তিনফাও লাইফাও-মকসু হেক ফংবা য়াবা মীনি। অদুগা ইন্দ্রজালগুম্বা, অমসু মাবু মং ৎনা নংগী হৈসিংবনা তিনফাউ লাইফউ হনবাসু ওম্বা য়াবা আধা মচা শক্তি লৈ।

লাইপাক—নিপা অসি নোম্বা কননি, অদুগা থবক তৌবদা থবক পাংদাবা মখে তুরং হন্দে, অদুম্নদি ওইনগা শেনফুম শেনবগী মবমদ মরাইবপাক ফনা মীদি নত্তে। মহাকপু ইনুং মগী য়ুম্বান কৈবালনা লাকপুবনা চিংবনা অমসু লাই-গুরুগী মহোশা লাকপা ফৌবমনগা মশাগী মরান’ইগী চাউখৎকদবা এনাক কৈরাক থুনগদবদা য়ামনা মাংহলি, অদুনা মরাইবপাক ফবা মী ওইবা য়াদবনি ।

মহাককা মীওইনা হিংহনা পানবা পুনসি অসিদা অমোক নিং-নিং হেক হোগৎপগা অমোক হেক্তা থমথেংনা হাইথবা অসিগুম্বা অকা

অকুব অসিমক্তাদা কীবম অমক্তা লেংদনা নৈবা মতমদি ইয়াওবু মাওদে হাইবমক য়ানা নৈ। মহাকনা ঐদি মাম্বম ২ তোগে লিংলমদা পুম্নমক পুমকাই কাইবা ওইথোক্তবা মরম কয়ামুক ইথং থংহোদনা থোকতুনা হায়না নৈরবা কীবমদগী পুমহোং হোংগনমি।

মহাককী মরাইশককী মরমদা কৈরোই-কৈকাইগী ইমুংগী মীনা অয়াবা তমগনি, মহাকনা ভাব মুত্তাইবকতুনা পংতৌ তৌবা অদু তথা মথৈ নাকসিনবা তমলবদি থানগদবনি। মহাককী হমিংচুমা ঐনা মাদু তৌহোদয়ে, মাদু তৌরমলমদি ঐহাক মুত্তাইজগদবনি হায়বা থবাই মুত্তাইতবা লিংদোল পোথমক্তনা মতুংগী মুত্তাইজগদবা মরম পুমনমক তৌবা তমদবা অসিনা মাগী থকাইবা ওই। অমসু মাহুত্তনা থুদোং চাবা অপুবা তৌহোদহনা মাংগনি। হাঙথরবাসিং অসি থাদোকপা তম-লবদি মতম অমদা মরাইশক ফমসু ফংবা য়ানা নৈবা মী অমনি। মহাককী মপোক অসিদা চহি ২৫ সুবদা অমসু চহি ৩৭ থা.৬ সুবদা কম্রিগুবা কবা থোককনি মতাং অনিসি কাওকদে।

মানা তৌবদা হৈনগদবা মরম—নিথা অসিগী হাঙথরবা মীওং অহুনা তাকথরে, কল্পনাশক্তি য়ামনা নৈবা মরম্মা কবি, শিল্পী অমসু সঙ্গীত হৈবা য়াবা মীনি। মাহুত্তা নত্তনা অনাবগী লাইওং থিবা, অমসু অনাবা অহুগী হিদাক তৌবা, অসিগুম্বগী ললোনবা থবক অসি তৌরবদি লিপা অসিনা মাগী মহোশাবা পোকথদগী লোইমরকপা মওং অদু ফোংদোকপা তমগনি, মাম্বমনা জেলখানা হাসপিটালগুবাসিং অমসু লাই-মবা উপায় সহায় নৈত্রবা মী অহুগা য়োকথি থাকপিনবা নৈতবা-সিংগী উপায় সহায় তৌনবা লিংথংপা অনাথ আশ্রমগুম্বা থবক তৌ-রবা অদু ওইরবা অমা লিপা অসিনা মাগী মতিক মগুণ থোককনি।

ডিটেক্‌টিভকী থবক তৌবা থকনৈ। কিথেং ওমুংবা পাও ইতা-বাগী থবক হৈমগনি। কোইশা ২ চংবা থবক হৈনগনি। নাবগী পাওই তাবচংবা হৈগনি। ঈসিংগী থবক, ঈসিংমকম্ হৈনগনি। অহুগা

মহৌশা হৌনহৎনবগী নৌম, হৌদোকপা থবক ভৌবা পকনৈ। খুদং কৈ শান গী থবক ভৌবা পকনৈ। নিপা অসিনা থবক পূম্নমক্তা হান্নদগী অনৌবা থরদং হৌদোকপাওবু যাওরবদি মাগী ইপক্তা পকনৈ, মাতুংগুম্বা থবক অতুনা ইতত্তুনা থুনা ২ হোংগদবা নৈবা মথৈ য়াম্না পকনৈ।

সুপীথিবা—নিপা অসি নৌনা সুহোংবা চুমদে। মহাকনা পাম্বা অমসু হৈনবা অসি মতুং মতুংদা হোংই, মাতুগী মথক্তা মাহাকনা পামবা সুপীদি চহি য়ামদরিবী অঙাংবুদি চহি নিরবী সুপীথুনা পামনা হৈনি, মরম অসিনা মশানা চহি খবা নিরবী সুপী ভৌবা চুমই, অগ্রহায়ণ, মাঘ, চৈত্র থা অহুমগী মরক্তা অমদা পোকপী সুপীনা পম্বরবনি চেংথা চাদনা শানগনি,

মরুপ—শ্রাবণ থা, অগ্রহায়ণ, চৈত্র মসিদা পোকপা মীগা তিন্নবা মরুপ ওইনবা কৈ। শুক্লপক্ষগী সপ্তমী, চতুর্দ্দশী মত্রগা পূর্ণিমা, কৃষ্ণ-পক্ষগীনা ত্রয়োদশী, ষষ্ঠিদা পোকপা মীসু তিন্নরবদি ফাইনরোই।

হকচাংগী মরম—হকচাং য়াম্না ফবা মী থোকতে, চাবা তুমগনদে, হুসিং হৌগনলি। অতুনা চাবা থকপদা চোকসিনমু। অরাবা থমবা, সুংগাথিবা অসিগুম্বগী হকচাং য়াম্না সোক্লনবা মীনি, য়াম্না ফিবা, য়াম্না অরাবা রাথন, সুংগাথিবদগী কোষ্ঠবদ্ধ (মাংবা পনবা) চাবা তুমুদবদগী, ঈ হৈনবা, বাতধাতু প্রকোপ ভৌবা অসিগুম্বা অনাথনা লৈংদনা - কোক্লনা নৈবা অনাবা ওইগমলি। অতুগা মাগী মহৌশানা উন্মাদরোগ পুকনিংগী অনাবা, সারেগুম্বা তৌরকপা য়াবা লৈ। মহৌ-শানা মারগা য়ামদা ফিংগংলি, ঐ সৌহবা তারে হাউনা কিবগী চুমগী অনাবাশু অরুবা অনাবা ওনগনলি। অতুনা নিথা অসিনা মথা নাথক্তবা অথবা ওইসে হাউরবদি পুক্লিংদা সুংভাইবা থীজু, সুংশা-থিবা অফিবা অসি থক থজবা অসিনা মহেন্নে।

ভাদ্র মাসদা পোকপা।

মীওং— নিপা অসি পুকচেল কবা মীনি, মীনি অৱাবা থংবা মীবু হু মাগী ওইবা ইকিংতা নিংবা মীনি। নিপা অসিনা কনমক অচূম্বনি অসিবা। চুমদবনি হায়বা থংহনবসু তৌথোক্লকপা মতমদদি মাগী পুক্নিংবা পাম্বা অহুতা মতৌই। মহাকনা ভিললুবা কাংলুপ অতুগী মাতবা রাধন তৌবা অমসু ময়াম অহুগী পুকনিংগী মশক ওইগনি। মহাক্না মীগী অৱাবা সুগাইবদা মাগীদগুম্না থনবা মাহগুম্না মাগীবুস মীনা থনবা ওইগনি অসুমনা থদ্নি। নিপা অসিনা মীবু সুংশিবা অমসু দুনা তৌবদি মাম্লপকী মতিক তৌই, মাহুদি মাবু কনাগুম্বনা থৌজানদ্বিয়ু হাঙজরবদি মানা মী অতুম্ব ঐনা সুংসিগদবা চানগদবদ মতিক চাই চাদে অমসু য়াই য়াদে করি অমতা থনদে, মাঙোন্দা চংজরবা মরূপপুদি একনবা লক্ষা অমনা কোইথিহনাসু মানা হনবা লৈরক্কে।

মহাক্কী পুকচেল অসি মাম্লপকী মতিক চেংলি অমসু কৈ, মহাকনা হেক তৌবা থবক পুম্নামক্কা মহাককী পুকচেলগী অচেৎপা অক্লবা অহু হেক্তা মীনা উগনি। অম্নারোমদাসু মাগী পুকচেল কনগী মতিক মশাগী নাপনসু চাউই। মহাকপু মীনা চানবা, সুংসিবা কনা-মক পামহুনবসু, মীবু নমহম্না চিরোন তৌহনা, তাং তৌহনা থেম-হনাবু ওটরংসু মাবু মীনা চাম্ববা কৈদৌরুংদাসু হোৎনদে। মানা পামবদি মানা মীবু লুনা সুংসিনা, চান্না তৌবা অতুগী মনা ফংফম থোকপা অহুতা মানা ফংলংই। কনাগুম্বনা মাবু থজিক্তা থৌঔরীদ-

থগুম নক্রগা লুনা তৌববগুম উথিবদা মানা মাত্থ থক থাংবা ওম লোই।

নিপা অসি মপুক ফবা, অতুগা পুম্নামক্তা মথন্নাই য়াউবা হাঙ্গবা অসিদি মপোকী লোইনরকথনি, অতুনা মানা মীবুস্থ অচুম্বা ওাংগনি অমস্থ অফবতা মতৌগনি নিংই, থাজে, তৌইগুবস্থ মীবু থাজরুবদগী মাম্ব মীনা নমহৎপিরকপা তোইনা থেংনমন্দুনা মমৈদদি মীওোনদা পুকচেল থাবা, চোকসিনবা অমস্থ মীবু একনবাগুম নিংলকপা মকস্থ য়াই।

নিপা অসিনা য়াম্বা পাম্লিবদি, মীওোন্দগী মানা হেন্নবা হোৎনবা মীগী মকোক ওইনবা তানবা, অসিনি মরম অসিনা মতিক মগুণ চেনবা মী নক্রগা মরনাইগী করিগুম্বা গুণ চেনবা মী অসি অসিগুবা মীবু মানা তিন্নথোৎনবা পামই, লুনা তৌই। মানা চানবা ফুংশিবা, লুনতৌবা মীগী ফবা দোষ লৈতুনা মানা মী অতুগী দোষ থক এংদে।

নিপা অসি উচ্চাভিলাস (মীথোই মীহেনবা পাম্বা) য়াম্না লৈবগী মতিক দৃঢ় প্রতিজ্ঞা (পুকনিং হুন্দবা)স্থ লৈ। মানা থবক অমতংবু তৌবা হোৌরবদি থাদোকপা হোনদে, অতুগা মানা তৌনিংবানদি য়াম্না য়াংবনা থবক অতু অস্থম অস্থম রাংথৎমনখিতুনা মমৈদদি মানা পুবা থাংবা ওমদবা থবক ওনথোকখিবা থোককনদি। নিপা অসিনা মানা ওমগদবা লোৌগদবা ফীদম আদর্শ অমা মমাংদা থারগা মাত্থ এংতুনা ২ ওবামথৈ মানা তৌরগা তোক্কে, মাগী মপুন্দি চুপ্পা মশা অপুম্বা ফীদম অত্থ ওন্নবা হোৎনৈ। নিপা অসিনা মাগী ফুংশি চাউবা চানগনবা লুনা তৌবা অসি মচিন্নদি হাঙ্গদোককন্দে, তৌথোকলকপনা হেন্নি, অতুনা

মহাকপা মী থনবদা (চাগ্রগে, মাসিগা মরুপ ওইরগে নত্রগা তিরগে অমুমনা মী থনবদা) য়াম্না চোকসিন্না থনহৌজবদি মতিক চাদবদা মাগী মুংসিবা চায়বা ওইকহুনা নৈতিক চরিত্র (মুতিগী তৌরিবা লিচং) মাংবা য়াই।

নিপা অসি থরদি নাপন তৌই, অহুনা মপুক্তা নিংবা অহু ভশেং ২না হেক ঙাংখোকপা অহুগা তৌগে নিংবা মরমসু নম হাহুনা হেক তৌবা অসিগুম্বা হঠকারিতা লৈ, অচুম্বা য়া শেংনা হাইদোকনু-বদগী করিনত্তবদা মরেম্বদা মী এংথিনথিবা ওইবা য়াই। নিপা অসি মী পুম্নমক্তা ইচান চায়বা, মুংসিনবা, ইতিন তিন্নবা য়াবা মীত্তা থোক্কে, মহাক্তি সমাজদগীসু তোঙান্না লৈথনি, মথন্তুনি হাঙবা মাবু মামা থনগনি। মহাক্তৌদি করিসু তৌদনা থবক অমা নৈতনা নৈবা য়াম্না বাবা মীনি—করিগুম্বা উদ্দেশ্য অমা নৈতনা নৈবা য়াম্না য়াই মাহুম তৌরবদি নিরাশা ওইহুনা অরাবগী কৌবম ওইগনি, পুক্নিং হকচাং অনিমক মংলোই। অহুনা পুক্নিং ঈংনা হকচাং মুংঙাইনা পানগে নিংলবনি করিগুম্বা থবক অমদি থক থদবা কৈ।

লাইপক— শেনথুম নৈবা, মংপোৎ মচৈ সম্পত্তি নৈবাগী মরমদা নিপা অসি মরাইপক কবা মীনি। নিপা অসি ঈথং থংহৌদনা শেন থুম য়ামনা হেক ফংউবা অসি মপোক অসিদা তো'মা থেংনগনগনি, কনাগুমনা লোৎলম্বা, মী থংহন্দনা থনম্বা শেন ফংবা, নিংথৌ, নিংথৌ-গুম্বদগী আশা ইতৌ তৌরুদনা শেন ফংবাগুম্বা অসি মাগী মরাইপক্তা থেক্কনবা মীনি। অহুমনদি ওইবগা নিপা অসিনা শেনথুম লৌরি ইমক্সু মানা পাম্বা অহুদগী মীনা মাবু চানমা, মুংসিবা, লুনতৌথ-বুনা হেন্না মানা পামই। অহুগা মাহু মানা ফংবাদি শেনথুম ফংবনা হেমা ফংগনি মাগী অপাম্বা অহুদি ফংলবসু থক্তিক্তা মানা য়ামনা ফংগদবদি মীনা মাবু চানসিনবা মমথাক তৌবিবা, বিশ্বাস থাতক

তৌবা য়াম্বা কংগনি। অসিগুম্বা মনোইচা মরম্বা মকোক নিংবা যাবি য়াম্বা মপোক অসিনা অজিকতা লৈরমি। মাগী মপোক অমিতা চাউথংপা য়াবা অকবা-খুদোংচাবা য়াম্বা থেংনরগনি, অমসুং মাবু মংহুনা চাউথংনবদি মাগী হিংহুনা পানবগী জীবন অসিদা অহনবী মতিক লুবা, পুকচেল শেংবতবা ওইগদবনি। অমাযোমদা হাইবদি হুপা অমি মাবু মাগী শেমগদবা মীনি। হুপা অসিগী প্রবৃত্তি পুমনমক (ভোগে নিংবা পুক্নিং ইচ্ছা) য়ামনা বেগবতী (খামথোকপা কন্না ইনমি) ওই, মরম অদুনা ইমাই লাইনা পুক্নিং মচোই মচোই তোগল্লি। অদুগুম্বা পুক্নিংগী অরাংবা অদু লাকসিনবা ঙম্নবদি মাগী ভাবিষ্যৎ জীবন য়ামনা লুই অমসুং মগুণ চেনগনি। হুপা অসি মাগী পূনসিদা অহানবা তঙখাইবুদি অকোন্বগী ভখাইনা ফবা য়ামনা হেল্লি।

মহাত্মা তৌবদা হৈনবা থবক— মিপা অসিগী দৃঢপ্রতিজ্ঞা ওইবা অমদা ইচ্ছা শক্তি লৈবা মরমনা মানা ভোগে নিংবা থবক পুম্নমক অদুবু অতোপ্পা মীদা মানা ভাকতুনা জোইনবা মীবু সিন্নীরবা ওইবা পাম্মল লৈ। থাংজিনবংবদি মকোক-নেতা ওইগদবা মীনি। অদুনা মাগী মথাদা লৈবা মাগী মতুং ইনবা মীবু মানা হৈবা চোংসিনহনবদি চোংসিনগনি অসিগুম্বা পাঙ্গলনা মওংদা লৈ। মাঙোনদা লৈবা শক্তী অসি সংগঠন শক্তিদা Organizing Power য়ামনা লৈ। অদুনা পরিচালক, অধ্যক্ষগী থবক তৌবা হৈনগনি, ঙমগনি। মীবু সিন্নবা, সীতন্নবা মুঙাইহনবা ঙমবিন্না অসিগুম্বা থবক তৌবা কৈ। মানা তৌবা হৈরোইদবদি য়াবনা মশানা নোংমনিকপা থবক পুবা অমসুং মথন্তা মী য়াওদনা তৌবা থবক তৌবা কাম্নরোই, তৌ-বসু ঙমলোই, থবক মচা ২ তৌবা পকনাদ। চাকুগী মক্তা তৌর-বসু অতৌবা লদোন ঠিক তৌবুদি প্রোফেশন ওইবা (মানা হৈনবা থবক তৌবা) দানা হেন্না মতিক মগুণ থোকনি। মানেজর ওইবা সংলানগী থবক অমসুং পুলিশ বিভাগ মাসিগুম্বা অচৌবা মক

ওইবা য়াই। মাওন্না প্র.কশন ওইবা থবক্তা ডাক্তর, ব্যারিষ্টার, উকিল, প্লাইমরিক লেংবা সম্পাদক ওইবা পকনৈ। শ্রীকৃষ্ণ, নেপোলিয়ান, অরি বিসমার্ক মখোই অসি থা অসিদা পোকই।

মুপী থিব—মুপীদি মসানা অপাম্বা খম্দুনা লৌবনা নম্বই। মাঘ শ্রাবণ নক্ষত্রগা চৈত্রদা পোকপী মুপী লৌরবদি য়াম্না অমাংবদি থোক-লোই হাঙবাবু য়ামনা মুঙাইরে হাঙবা ওইরোহ। অগ্রহায়ণ থাদা পোকপী লৌরুরবদি য়ামনা মুঙাইরোই।

মরুপ— পৌষ নক্ষত্রগা ফাল্গুনদা পোকপা মীগা চান্নবা তিনগনি। অমাবস্যা, শুক্লাপক্ষকী ষষ্ঠী, সপ্তমী, কৃষ্ণপক্ষকী চতুর্দশী তিথিদা পোক পা মীগা চান্নগনি।

হকচাংগী মরম—মশাকবা মীনি। জীবনীশক্তি নিংথিনা লৈ, অহু না অনাবনা পাক শীহনবা ঙম্বা মা নত্তে। কলিগুম্বা কন্না নাক্তরবম্ ফবক্না অনাবা মচিং মথাক লৈহৌন্দবা তশেং তশেং ফগনবা মীনি। অহুগা বাত, হৃদয়রোগ (খরগী অনাবা) মুর্চ্ছা (সাবৈ) অসিগুম্বা অনাবা তৌথোক্লকপা য়াবা খরা লৈ। কোকচিকনবা, কোক ঙাওগব বা, নাকোংদা নাবা মিৎনাগনবা, ঈসিং থোংদা শাবা, অহুগা খোংদা অনাবা লৈবা য়াবা মীনি।

আশ্বিন মাহ্নদা পোকপা।

মীওং—আশ্বিন মাসদা পোকপা মীদি ভাব অমি মুই, মাখোই অদিন্নদা মহাকপু থৌরি চিংবাওবদা অমবা অমোক ভম অমদা অমোক ভম চন্দ্রং-হন্দা চিংদহুনা লৈ। মহাককী ভাব অনিহু অমগা

অমগা ইমান মান্নদে, ওন্না তৈনবা তাবনি। তাব অমনা মপুক শেংবা হুপীমচা কুমাবীগী পুকচেনগুন্না লৌথুপ লৌকোন লৈতবা ইত্তিংত্তিংই অমনা অরিকপা নলোনবা মীগী পুকচেনগুমনা কূটবুদ্ধি তৌবা মীগী তাব কুমই, মাহুনা মতম পুমনমকতা মাগী কনবতা মন্নানাইদা তান্নি ইমান মান্নদবা তাব অনিসিনা নাঙোন্দা মতম অমত্তদা পুন্নালেবা য়াদবনিব। ওহাক লু, ওহাক লাই, তৌহুনা নিপা অসি লৈ।

নিপা অসি চহি য়ামদন্নিঙৈ নহাওইরিঙৈদদি ভক্ত ২ বা পুকচেল অহু ওইবনা নম্নমই, মানা বয়স য়াম্নক ২ পগী মতুংইন্না অরুবা তাব অহুস্থ অস্থম সাংদোক্লকই। মরমদি মাবু প্রলোভন (পামহনবা) তোইনা থেংনরকপনা মাহুনা য়ামশনলক্কুনা মাগী মপোক্কী লোইন-রকপা হুমিংচুপ্পা মাগীতা ওইজবা খনবা পুকচেল অহু অস্থম অপুন সাংদোক্লকপনি।

তৌইগুমসু মহাককী কূটবুদ্ধিগী তাব অসি মানা লাকসিনগে হাঙ্গৈরবদি লাকসিনবা ঙমগনি। মাগী মপোক্তা নির্ম্মল, সরলত্তা বুদ্ধিগী তাব য়াওরকপনিনা অকবা পুকচেল অহু য়িজিন্নবা ঙমগনি। মাহুবু হোৎনহুনা ঙমলবদি নিপা অসি ধর্ম্মজীবনদা য়ামনা নিংথিনা মহৈ য়ানবা ঙমগনি।

অহুম্নদি ওইরগা নিপা অসিনা আধ্যাত্মিকপুদি আধিভৌতিকনা য়ান্না হেন্না পামই। মরমদি মানা করিগুম্বা কৗদম আদর্শ অমা এংহুনা মাবু মাহুন্না শেম্বা নত্রগা দার্শনিক যুক্তি বিচারনা করিগুম্বা কমনা তৌহুনা কংবা জ্ঞান অনিসি মানা করিমত্তা থাজদে, মাগীদি মপান্দা মিৎনা খোংনা হেক উবা থবক অহুতামানা পাবই, থাজৈ, মাসিতমি। অহুনা মিৎ নাকোংনা চিংবা ইন্দ্রিয়না কংবা ঙমদবা পোৎ আধ্যাত্মিককী থবক অহু মানা করি অমত্তা আন্না (ল ৎনা) তৌদে। মাহুবুদি মানা নিংই, মাসিগী মরমদা খনজুবা পন্নিকম্নমা তৌরুবদি মতম থাংনবা অরেম্বানি থন্নি। আধ্যাত্মিক ধর্ম্মবুদি নৈতিক ধর্ম্মনা মানা পামই।

নিংথৌ অসি মুঙি য়াম্না কুপই, পাইরাক য়াম্না সিংই, অমস্যু অচুম্বা খংবা ঙমই। অহুনা মানা মীযু ভৌহনলগা মানা মহৈ লৌখো-কপা য়াম্না হৈ। মুমিং চুম্বা মাগী ফনবগী খনচুনা, লৈ, য়ামনা থবক মুহই কদাইদা গোইগদগেরা বল্লি, অহুনা মীনা মাবু নমথাক ভৌবা ঙমদে, মানা হেক্তা ফাই।

চুমগে চুমউ, লাল,গ লালমু, মানা থবক খুদিংদা মানা মাগী মরৌসিংনা কংবগীমখেতা মানা ভৌই, অহুনা মানা মাসিনী অসিদি হাঙৈনা লেপথরবা অহুবু মীনা ফনা এং-থোংতুনা হোংদোকহনগে হাঙৈবা হোৎনবদা খজিক্কস্যু মানা মাগী মতপু থাদোকপা নৈতে।

মহাক্কা মুমিংচুম্বা নিয়ম্না ভৌবা অমস্যু চেকসিন্না হোৎনবা হাঙৈবসি থাদোক্কে। অহুনা করিগুম্বা অরাবা অকাইবা থোক্রবদা অমস্যু করিগুম্বা অমা হান্নদগী শেংদোকপা ভারবা অহু ওইরবদি হান্নদা মরম অহুনা মুম্বা এংদনা কোক হোংদোক্কে থাদোক্কে অহুনা মুমকৈগী পোং, অমস্যু মকি-মরোন নাচিংবা পোং পুম্নমক অসি হান্নগী মফম কাইদে হান্না চংলকপা খক হোংদে।

মীবু এংসিনবা অফ-ফত্তা থিবা য়ামনা হৈ, মীগী অসোইব-থিবা য়াম্না হৈ, অহুনা মাগী ফত্তবা দোষস্যু মানা হেক্তা খংই, অহুনা মাগী ফত্তবা অসোইবা দোষস্যু ইরাই লাইনা মানা শেংদোক-পা ঙমই, মাহুগুম্না মাগী অফবা শরুকস্যু মানা য়াম্না মুম্না খংই। অহুনা মহাক অসি ঐনা মফরে হাঙৈবা নাপনস্ন লৈ।

মুমিং চুম্বা মাগী কান্নবগী এংনা লৈবনা মাদি উগন খং-গনবগা ওইবনা মানা মাগী লোইনরকপা অচুম্বা পুকচেল অহু

হেক সিজন্নহনা অশেংবা জীবনদা দৈখা ড়মগনি। অদুগা মানা মীবুম্ মাগী ফননবগীদমক সুমহৎতুনা সিজ্জবস্ন ডবই। অদুগা মীবুম্ মাগা তিননবা পামহনবা ড়মগনি। ঈশ্বরবা ওগি গানা নিংথিনা সিজন্নবদি মাম্নু অফবা ফীবন ওইনা নীংঙৈগনি। মহাত্মা গান্ধী, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর [illegible] অ'গ মাগী মপোক থাদা যাদে।

লাইপক—মগা [illegible] মীগী মপান চাও হউবা লৈতে, মানা মাগী শেমগদবনি। মানা পোকবা লৈতনা তাম্লবা নোমজবা অদুগী মথক্তা মগী মরাইপক্লা শাংকদবনি। ম'না তাক্ত্রগা খুত্তা চাবা অমত্তম্ থেংনবোই।

মাগী মরাইপক ফননবগী দমক নোম্বা ও কুনস্ন য়ারোই, মাগী ইমুং মন্নুং থাদোক্লবা য়াদবাসিংবুস্ন মানা নুংশাইনা লৈনবা হোৎনগদবনি, মরমদি মখোই অহুনা নংলবদ নু ডাংত্রবদি মাঙোন্দা য়াম্না ওৎকনি. ওৎলক্তনবস্ন মানা কন্না হোৎনগদবনি।

মানা অহল ওইদরিবৈ নগা ওইবিগী অবস্থা'দা মানা তৌরম্বা অদু অদুগুম্বা লম্বৈন অদুদা অহল ওইংবা মতমদা লৈগদবনি। মাহু না লোইংখদাইগী জাবনদা মতুন অদু মা পাম্বে ওইগনি।

মানা তৌন্দা পক্লগদবা থবক— মানা তৌবা থবক্তি সুপনাগী ললোনবনা ইকহন হেনগনি, মাতুনা মগী পক্লবা অথোইবনি। অদুম্ দি ওইবগা মানা মথন্তা মনিং তৌনা ডনবদি কয়া হৈনবোই। মীগী মতেং লৌহুনা মীগা তিননহুনা নত্রগা প্রতিনিধি ওইনা ওনলগনা হেন্না ফগনি।

ওনবা পোৎস্ন রসায়নিকদ্রব্য, হিদাক লাংথক অমস্ন অচাপোৎ ওন্নবনা অমোক হেন্না শক্ল। মাসি নত্তবাদা হাঙ্গীরগা সাহিত্যগী

প্রোং, ছাপাখানাগী থবক, প্রকাশক ওইবা, ওঝা ওইবা, লেখক ওইবা, সম্পাদক ওইবা মাসিগুম্বাস্থু ওম্বা পাঙ্গন লৈ।

অদুগা প্রোফেশনগী (মানা হৈনবা) থবকপুদি চুম্নগী লোনব-দনা হেম্না চাওখৎকনি।

মুহোংবা— সুপীথীবা য়াম্না চোকসিনলু, নিপা অসি সুপী পকুর-গা মপোক অসি ফগ ন, সুপীনা পকনদরবদি খুদোং য়াম্না থিগদৌরি যুম্বানবা নিংথিবা পামই, অপাম ন্নংসিবা অনি সুদবা পামই, অদুম নদি ওইরগা নিপা অসিনা মানা সুপীদা যাম্না পামসিনবা লুনা তৌগম্না মীতা ওইবনা সুপী পরদবা খোকউহনা যুম্বানবদা অকাইবা থোক্লব-মাতুদগী লমচৎ ফত্তবা অস্তাদা পাং থক চাবা, ওক্তব নিপা কোই-থোককনবা মীতা ওইতুনা নৈতিক চরিত্রহীন ওইদুনা মপোক অসিমা চেগাইগুম্না মাংবামক য ন। নৈ। মাঘ, চৈত্র, জ্যৈষ্ঠ মাসদা পোকপা সুপী লৌরবদি মাংই।

মকপ— আশ্বিন, মাঘ, জৈষ্ঠদা পোকপা মীগা মরুপ ওইনবা ফৈ অমসু অষ্টমা, প্রতিপদতা পোকপ মাগাসু চান্নবা ফৈ।

হকচাং— মশাফবা নাগন এক্ননদবা, নাববসু থুনা হান্নগীগুমনা ওইবা মীনি। অদুম্নদি ওইবগা নিপা অসি মপুক্কিং পেনগন্দবা, সুমিৎচুপ্পা সাউনম লেংলম্নবা মীতানি, মাসাদা [illegible] তৌগ[illegible]বা মীনি, অদুনা মতম অমদা ভংওবা (পাগলা) [illegible] অদুগা মানা সুমিৎ চুপ্পা ঐ করম্না পানগদ[illegible]বদি হান্নবা রাখন অসি য়াম্না [illegible] [illegible]হাইনা কতু [illegible] নাদনা হান্না হিদাক তৌসিললুদুনা মশা ফওবা শুইবা য়াবা মীনি। মাতুগুম্বা

হিদাক তৌরুবনা মাগী মশা মাংনবা ওইগনি। মরমদি হিদাক হাঙবা সি হুগী শরুক য়াওবা ডাক্রি, হুগী শরুক্তা হিদাক্কী হকচাংদা চংখিবদা মপান্দা থোকন্নে। সিংলি নাওরিদা পোম তংবা (অন্ত্রবৃদ্ধি) শুবা অনাবা তৌগনবা মীনি। মুত্রগ্রন্থিগী অনাবা লৈগনগনি, চাবা তুম-গনদে।

নিপা অসিগী অনাবা কোক্লবা হিদাক্তি, মহৌশা কৌবিগী মথং লৌবনা ওইগনি, প্রাকৃতিক চিকিৎসানা অনাবা কোকদবা মীনি। লম অপাক অচৌবদা লুংসিং লাংবা, চাবদা ইচম চম্বা চিঞ্জাক (থোং থাক-পা ঙৌবনা চিংবদা হাওনা শেন্বা নত্তবঃ) চাবা হকচাং ফনবা ওই।

য়ুম্বানবা, ইমুং মনুংগী শান্তি ওইবা, সেৎইনবা তরু তরুবা হি-দাক, চুরুট, বেড়ী, গঞ্জা, অফিং থোইদোক্লমক য়ু থক্কবা অসিনা মশা ফনবা ওইগনি।

কার্ত্তিক মাসদা পোকপা।

মীওং—কাত্তিক মাসদা পোকপা মীগী মীওংদি—নিপা অসি রাধন তৌগনবা মীনি। মুখিৎ চুপ্পা বিচার তৌহনা তৌগদবা মরম পুমনমক অদুগী মকোক মথৈ পুমনমক মপুমথিংনা থম্মুনা এংবা মীনি। মাঙ্গমনা য়েংলগা তৌগদবা অদুগী অচুম্বা মশক থংনরিবামথৌ তৌদে। মরম অসিনা মরম পুমনমকতা মফম পুমনমকতা অচুম্বা পামই। অহং-মাদি ওইবগা নিপা অসি নুঙাইবা পামই অদুনা অচুম্বা অদু তৌ-ক্লবগা মশাগী শান্তি কাইগদবা লৈরবদি অচুম্বাদু উৎনা রাইনা থুম-হুনা নমশিনগনি।

নিপা অসি শান্তি পামবা মরমনা কাইদনবা হোৎনবদা সামাজগী মরিদা য়াম্না অসেংবা মী ওইনা থোকই। অদুনা মাবু মী পুম্নমক্না ত্তিন্নলিংই। নিপা অসি অচুম্বঃ অমত্তু মুত্তাইবা অনিসি পুনদা পামই। অদুনা মানা মরম চাদবা সামঞ্জস্য ওইদবা পুমনমক কোকথোকতুনা মকম অদুদা শান্তিপূর্ণ ওইনা পুমনমক মাগী ফংকম থোকপা চপ চানা ফংবা পামই, মাসি কার্য্যক্ষেত্রদাসু সামাজিকজীবনদাসু রাজনৈতিক-ব্যাপারদাসু অদু মঙাই সাম্য মীথুদিং চপ নাম্নবা মাহুমকতি শান্তি ওইনা লৈবা অসিত্তনি মাগী জীবনগী লক্ষ্যদি।

নিপা অসি জ্ঞানগী লম্বেলদা লৈনা য়ুম্না পামই। কুপনা এং-সিনবা অমসু থিজিন্দুনা খংজিনবা চুমই। নিপা অসি জ্ঞান খংজিনবা হাজবসি মাসুপকী মতিক পামই, মাগী পুন'স চুম্না জ্ঞান তানসি-ন্দুনবা লৈবনা মাগী মথৌ ওইগনি। নিপা অসিনা মহৈতম্বগী মতমদা খুদোংথিবনা তম'হাপ্রবসু সিদাবিবা ফাউবা মানা উবাবখে জ্ঞানতা তানসিন্দুনা মওম অয়াম্বা তিংহনগনি।

নিপা অসিগী মহৌশানা মরক মরকতা অধ্যাত্মিক জ্ঞাননা মথক্তা কোংদোকচরকপা লৈ, ম'না মা'ওবা প্রেরণা অদুনা মরম ওইদুনা কবি করিগুম্বা মতমদা মবম অরুবা অয়'খা খংবা ঙমগনি। অমসু কবি করিগুম্বা মতমদা মতুংদা ওইবক্কনবা মবমসু মাগী পুকনিংদা অয়াম্বা ফাউগনি। মরম অসিনা ধর্ম্মশীলম্বেলদা নিপা অসিনা তানসিন্নবদি ধর্ম্মদা য়ামনা চংসিনগনি।

অদুম অদুমনমক ওইতুন'সু নিপা অসি মশানা মহৌশানা বিচার শক্তি চাউনা লৈবা মীওইবনি। মাগী মনদা ফাউরকপা তিনফা লাইকা-ওগুম্বা অধ্যাত্মিক শক্তিনা ফংবা পোৎ অদুবু মাগী বিচারশক্তিনা লাম্বা ফংজ্রবদি মহাকনা চাননা মথন্তা থ'জবা ঙমলোই। ইন্দ্রিয়না ফংদবা, অধ্যাত্মিকতনা ফংবা অদুবু কমনা (পংস, সাবনি) ওকতুনা শংদতুনা শংদিং লিংবনি হাইনা অধ্যাত্মিককী লম্বেলগী পুমথা থাদোকপা য়ানাসু লৈ,

নিপা অসিগী মহৌশাবক্তবু পুম্নমক অসি মকোক্তগীনা মথৈ কাঙবা মশা। পুম্নমক কদাইদগী কদাইনা ওইরকপনো হায়বা থিবসিনি, মাঙেন্দা মাসিদি কবিস্নু নৈতবনি, হক্তেকউ হায়বা নৈতে, মরম পুম্ন-মক্তা মানা থাদোকপা নৈতে, অদুনা মাবু কনাগুম্বনা নমহত্তবা মাবু হনথেক্তবা ওমদে। মাসি মামকী পুক্লিং বাখনবুস্নু খুমিংচুবা চুম্ন-বরা চুমদ্রিবরা হায়না এংবা থিবা মীনি মাদু হেক খংদরিবা বিচারদা লেপতরিবা মথৈ মাদি পেনবা কবিস্নু ওমদে। মাবু মাপান্দা মীবা এংবদি মাগী মাস্নুপ মাম্না থিজনবা মীনি হায়বা থংদ।

নিপা অসিগী অরাংপা চংবামক্তবু মুন্ডাইবা পাম্নবা অসিনি। নিপা অসিনা অশান্তি ওইবা অমস্নু ইচোং চেংবা মথৈ মকোক নাইদবা হাংবসি থাংবা ওমদে। অদুনা নিপা অ[illegible] [illegible]ক-অমৌবা মশা মাংহনবা তৌদে। মপানগী পেংচৈ সম্পত্তিবু পাবগী পুক্লিং লৌসিংদগী সম্পত্তি হেম্না পামই। মহাক্তী হায়বা[illegible] নাপনদি থম্ন তৌই, অত্তমবপু মানা বিচার [illegible] মুপানিনা নাপন তৌই হায়ইহুনস্নু মতুনা চুমদবদা নৈদৌপুংদস্নু নাপন তৌদে।

মবাইপচা বা— নিপ অসি মরাংপক [illegible] মফম মীনি। মরমদি নিপা অ[illegible] মরক মরক্তা ক[illegible] হেক নৈতবমথৈ হায়থবা মতম যাওই, অদুবু থিদনা অমোক হেক মাগী তৈ তয়া শকক অহু হেক্তা [illegible] কদই। অরাং অপা নৈতনা হেক্তা পনি।

মুপ অসি দ টকা (১), ত[illegible], অম্যু চিঠিথেলগুম্বদগী মতম অমদা [illegible] পাম্না [illegible] [illegible], সাবা [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] পাম্নু [illegible], [illegible] [illegible] থরদি

(১) চেং ভাংসাক দ মান[illegible] য়াং [illegible] চেং পুম্ন-মক মক [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] পুম্ন[illegible] চেং ইথৈ নৈত্তবদা মানা লৌনংবা [illegible] লৌহুন। অ[illegible] [illegible] মাস্নুমা ললোমবা মওনবু কাটকা কৌই।

লেংদনা থমগে হাইবা নৈতে, অদুনা শেন লৈবা থীদি থক ওইদ্রোই ।

ছুপা অসিদি মতুনা অমস্তু মাগী ভিন্নবা থীনা-শাগী অকবা কত্তবা মরাইপক্ক ওনগনি । ফংনগে মাখোইনা, ফংহনলোই মাখোই-না তৌগনি । মমদি নোং স নোদমথা হৈবা থী নত্তে ।

থবক তৌবদা পক্ক দনা - ছুপা অসি পূর্ণনক হৈগন শিং-গনি ইথংতা থংবা, ইহেত্তা তেগনশুম তৌবা থীনি । অদুদা কলাবিদ্যা, শুং, থৈগে অমস্তু লইএকপদুনা মানা পাথবা হেন্নি । অদুনা মানা হোৎনবদি সঙ্গীতবিদ্যা, কাব্যরচনা, চিত্রকর লাইএকপা থমথোংনা তম্বা ঙমগনি । অদুগা উকিল ব্যারিষ্টার, বিচারপতি ওইনবা ঙমলবা অদু ওইরবা অমা অকাউবা ওইগনি, 'বজ্ঞানদা মৌলিক তত্ত্ব আবিষ্কার তৌনবা ঙমলবাস্তু মইহ য়ানগনি । চিকিৎসাবিজ্ঞানদ ঙমলবা অমা মীগী মকোক ওইগনি । মাহুনকতি লাইনা অমর্গীদমকতা তোঙান্না তম্বদনা হেন্না কৈ । অদুগুম্বা থী ওইরবদি অথাউবা ছুপা অমা ওইগনি ।

চাকরী তৌবদুদি মাগী হৈনব, মরম অমদা মরনাই হোৎনবনা মাঙোন্দা পক্কব তেন্নি ।

সুহোংবা — নিপা অসি নহাওইনা ছুহোংবা য়াই, সুহোংবা মতমদা অমস্তু যুদ্ধানবা মতমনাস্তু বেংগেন্না য়াম্না থাংবা, থীতানি ।

ছুপা অসিনা যুদ্ধনবদ হুড্ডইরহৈপৌবা মরমদি মাতনা থোক-হনজবা ওইগনি । ছুপা অসি মশানা শান্তি পম্বা থী ওইবনা যুদ্ধান বদস্তু য়াম্না ঈংনা থংনচৈন যাওননা পানবা পামই । অদুমদি ওইরগা মতুগী অকুপ অতোইদা কুপনা এংসিনমদুনা ছুপন্নবা পোংস্তু চাউনা উবাগুম্না ছুপীগী পিশক পিকপা দোষস্তু মানা চাউনা চাউনা উগনি, মাহুদগী ইমুংদ ইমুংগী মহি লাংবা হেক্তা হৌগনি । অদুনা ছুপী কাইনা থাইনবা কাউবা তোগনি । বৈশাখ, আষাঢ় ফাল্গুন থাদা পোকপী ছুপী লৌরতদা ছুপা অসিনা ছুপী অদুগী দোষ অদু মহান্না

থিরোই ।

মরুপ— মুপা অসি মুপী থিবদা সোইদনা মুঙাইত্রবদি মরুপ অকবা কংহুনা মাগী অরাৎপা শকক মরুপনা শেম্খিগনি । মুপা অসি মীখুদিংমক্তা ইচান চানবওবা মওং লৈ, অহুবু কার্ত্তিক, ফাল্গুন, আষাঢ় থাদা পোকপা মীগা তিন্নরবদি মাখোই অহুনা য়াম্না উপকার তৌগনি । অহুগা অগ্রহায়ণ, অশ্বিন থাদা পোকপা মীগা তিন্নববদি অরাবা মুঙাইতবা মরুপ অহুনা ওগনি । দ্বিতিয়ায়া, নবমীদা পোকপা মীগা তিন্নরবদি থক কাইনবোই ।

হকচাংগী মথম— চাবা থকপা চোকসিনলবদি হকচাং য়ামখা কগনি । ঈশিং থোংগী পীড়া তৌগনলি শুক্র দোষ লৈগনর্লি । কোক ঙাউবা, নাড়ীদুর্বলতা চের্লি । মিৎ কত্তে নাডীশূল, সক মকুংদা চিকখোৎপা, থাং, পাংলেন নাগনবা মীনি । মাদোমদা চোকসিনলু ।

অগ্রহায়ণ মাসদা পোকপা ।

মীওং—অগ্রহায়ণ মাসদা পোকপা মীগী লমচংত্তি মুমিংচুম্না আত্ম প্রতিষ্ঠা (১); মীদমক্তা হোৎনবা অমসু মন্ত্রগুপ্তি—মানা মঙ্গনা তৌবা কনামত্তা থংহন্দবা ফোংদোক্কবা অসতনি । মুমিংচুপপা শ্রেষ্ঠ অকবা মিংচৎ, গুণ, গৌরবতা অসি করমদৌরগা মতম কুইনা মুংহৌরোইদগে হাঈবা অসিতা থল্লি । অহুগা লোম্না তৌবা মী থংহনদবা তৌনিংবা থবক অহু মানা থাজবগা তান্নৈ, থংহন্দে, লোননা হোৎনবা অসিনা ইথরাইদগী মাগী তোঙানবা স্বভাবনি ।

মহাঙী প্রতিষ্ঠা ওইনবগী হোৎনবদা মীগী মাংগনি, হাঈবা মঙ্গলা করিসু এংদে । মাগী কনবা; মাগী মিংচৎনবা মথৌ চাওখৎনবা হোৎনবা

কনাগুম্বনা কাইহনলুরবা নত্রগা কাইনবা হোৎনবা অমসু কাইনবা ওইনা থোকলুরবা অহুগুম্বা মী অমত্তবু মানা মাংহনবা ফংহন্দবদা করি অমত্তা মানা হনেংবা লৈতে।

মাগী আত্মপ্রতিষ্ঠা ওইনবত্তা থম্নুনা লৈরে হাঙ্গীহুনাসু নিপা অসি মপান্দা। মীনা উবদা মাগী ভাবতা, লিচৎতা থংবা ভমদে মাহুগী দমক তয়াং তসোইবা, অমত্তা উদে, অহুনা নিপাসি, মপুক চেৎলি, রা ভাংবদা চ্যেকসিননি, মতিক মগুণ চেন্নি।

নিপা অসি মী পুন্নামক্কা তিন্নবা য়াবা মীতিন্নবা ফবা মীতাদ্দ নত্তে। মনা মাগী মহৌশানা পুকচেল থোইজেন তিন্নরবা মী মত্তনা কনাগুম্বা অমত্তবু কোক হেক চান্নরুবা মপুক্তী রা হাঙ্গীদোকপা তৌদে।

নিপা অসিগী তৌগেনিংবা ইচ্ছা অসি য়াম্না প্রোক প্রোক চাক সিনলি অহুন্নদি ওইদগা মাগী দমক ফিংগৎপা করি অমত্তা তৌদে। অহুগা ভাবতনা ভবকী মতুং ইন্না থবক তৌবা মী ওইবনা মানা পুগে হাঙ্গনা নিংবা মরম অদোমদা মীবু ইরাই লাঙ্গনা পুবা ওম্বা পাঙ্গল য়ামনা লৈ। অহুগা মানা পুরিবা মরম অহু কনাসু লানসস্তু মাহুবু ওংথোক্কনা মীবু থাজহলবা য়াম্না ওমই।

ঐবু মীনা কবি হাঙ্গীখিদগে হাঙ্গীবাসিত্তা য়াম্না থম্নুনত্তা লৈ। অহুনা মীনা নিম্না তৌগদবা লৈবদি অচুম্বা ওইরবস্ত অরানবাসু ওইদ্র রবসু থবক অহু মানা তৌদে। নিপা অসি মীনা থাগৎপা য়াম্না পাম্ব ই, অহুন্নদি ওইরগা কনাগুম্বনা মাবু সিজয়গে হাঙ্গীহুন। পংথা থাগত্তনা

(৩৪ ও ৩২গী ফুট নোট (১) আত্ম প্রতিষ্ঠা— মতম ফুইনা মাগী মিচৎ লৈহৌনবা মীনা থাগৎনবা হোৎনবাবু কৌই।

সুমহৎপা ওমলোই। মানা পাম্বদি অওইবা নবমনা মাবু থাগৎপা অহুতবু পাম্বনি। থাগৎলি হাঙ্গতুনা মীনা মাবু থাগৎপা অহুনা মাঙোন্দা ওইজবা অমতং ফংত্রবদি মাবু থাগৎপা অহু কবিম্ব লৈতনা তাই।

মুমিং চুপ্পা মাগীতবু এংতুনা লৈবা মী মওইবনা নিপা অসি বিবয় গী বুদ্ধি য়াম্না কৈ। মাগী মী ওইনা পান্নবগী মুখান কৈবান অমসু ললোন ইতিকনা চিংবা শেনখুম তানবগী মবমদা য়াম্না চোকসিনলি। অতুনা মাগী ওইজগদবতবু খবদংতা ওইরবসু লৈরবদি চুমদবা থবক সু হেক তৌসিনবদা করিসু হলেংদে। মরম অসিনা মুপা অসি অকবা সঙ্গ তৌবা য়াম্না কাৱৈ হাঙ্গবদি ফত্তবা থবকপু নিন্দা তৌবা, অফবা থাগৎপা মীগা তিন্নবা কৈ। মাগী ২তা ওইজবা খিতুনা চৎপা কাংলুপ কা তিন্নরুববদি মহৌশানা মশানগা স্বার্থ এংতুনা লৈবদা অহোইননা স্বার্থপরগী ওমথৈ য়ৌখিতুনা মাগী মাংনবা ওইগ'ন।

নিপা অসি মহৌশানা অওনকনবা প্রোক ২ চাকনা নিংগনবা মী ওইবনা সাওগনদবা ওম্বা কৈ, নত্রবদ সাউববদি সিনি, নানি, খংদবা ধর্ম্মা ধর্ম্ম এংদব, ওইতুনা মমৈদা য়ামনা নিংঙনদবা .প কনগনি

মুপা অসি যৌনআকর্ষণ (মুমীগী নাৎকোবা ওমদবা) য়াম্না কম্না লৈ অহুনা মানা পাম্বী মুপানা মানা নিংবা অহু হেক্তা মুং-হনগনগনি। অহুনা মাগী যৌনআকর্ষণ অহু কম্না হোৎনহুনা লাক-সিনলু, নত্রবদি মপোক অসিদা থরাই মাংবা য়াবা মুপাগী রাগোক নংবা য়াই। মাহু লাকসিন্নবা উপায়দি মশাগী চাউখৎপা পাম্বই, অহুনা মাহুতা কম্না পাম্মনুনা মুপী পাম্বা পুকচেন অহুবু নমহৎপা ওমগনি, অহুনা মপোকী চাওজনিংলকপা মুহু কম্না ভামসিনলু।

হুপা অসি মাগী ইমুংদা মানা তৌনিংবতা তৌনা চাওগোক্লা পানবা মীনি । অহুনা হুমকে পানবা চানথকনবা শেনখুম নৈনবা হোৎনবা পুম্নমক মনিং তৌনা সিনগনি । পাম্নরিবী হুপীদা চৎনিং-বদা চৎতুনা হুপীবু খোওইনা তৌরোই । হুপীনদি হুপা অসিগী অক্নোবা অপরাধ ঙনা নৈহুনস্নু হুপা অসিবু ঙাকনি দোষ লৌরোই, হুমিৎ চুপপা হুপীনা হুপা অসিগী মনিং তৌনা পানজবা য়ানবা হোৎনবিবদা পাম্মুবা নৈরোই ।

হুপা অসি মীগী অসোইবা হমা হমা থিগনবা মীনি । অসোই বা ফংবগা লেম্না থাদনা নমনথুম্না অসিডা নিংহই । মীবু ঙাকপিবা হৈভবা মীনি । অসোইবা ফংবগা মী অহুবু কুসিং কুৎনা হেক হাঙ্গহুনা মথকতা হ পুমনমক হৈহনহুনা হেক মাংহনবা, অতুগা মী অহুনা থম থেংনা বারবদা অমোক ঙাকপিবা অসি পামই ।

হুপা অসিগী লিংজেন যামনা অইনকনবা মীওইবনা আধ্যাত্মিকী নত্রগা ইন্দ্রিয়না ফংবা ঙমদবা মরমদা থংনিংলবদি মাদোমদা তানম্ববদি য়ামনা ফবা সাধক ওইহুনা মপোক অসিদা অগেংবা পুনসিনাদা নৈবা সাধু ওইবা ঙমগনি ।

হুপা অসিগী মরিদা রহস্য ওইবা পুম্নমক মানা থাংবা ঙমদে । অকুপপা মরম থংদবা মাসি শোম্নবদি মাহুম হেক তৌই, মাহুম্না অহু তৌরক্লবদ মাহু ওইগদৌরবনি হাঙ্গবা অহুগা মরমদি থিবা থংদবা অহু অহুগুম্না অহু মানা তুমিম্না এংহুনা নৈবা ঙমদে । মাহু করিনা খোকলিবনে৷ হাঙ্গনা থংত্রিবামথৈ মরম থিজিনলি । মহুম্না তৌহুনা থিজনবা অহুসু মশানা পামজে, অহুনা ভৌতিকচক্র, সম্মোহণী বিদ্যা-গুম্না তৌনিংবা হোৎনবা তৌগনগনি ।

থাজৈশেংবদি হুপা অসি অফবা মী ওইগে, ফত্তবা মী ওইগে হাঙ্গবা মানা মনিংতৌনা শেমজংদবা মীনি ।

মরাইপক— মুপা অসি মরাইপক কৈদা হাঙবা থোক্কে । মহাক্কি চাওখংপা য়াদবা কীবম কয়ামুক্তা থেংনদুনা হনথনবতা থেংগনগনি, অসিগুম্বা থবাথা অসিদগী লিংথোকপা ভমলগা চি লাওনা পানগদবা মীনি । অদু ওইরবদি তপনা ২ মীওইবা ভম্বা কাখৎকনি । অদুনা লাইপক কবা মী ওইগে হাঙরবদি লাইপক কো হাঙদুনা ভমলক্কবা মীনি । নোমজমনভনা অকবা তাঞ্জগদোবা মীনি । অদুনা ভদবা অমম্ব নিরাশ ওইবা থাদোকতুনা নোমলগভা পানগদবনি ।

উন্নতিগী নম্বেন্দা ইভত্তভনা কাইরকপা থেংনমন্দুনা মুপা অসিনা য়াম্না নিরাশা ওইগনি । মী ওইবা হাঙবগি নোমদুনা কান্নবা নত্তে, নোংদম্বনাবু ভন্নক্কবদি করি অমক্তঃ কান্নদে নিংগনি মাস্মুম্বা নিংবা অদুদা হন্দরবদি তপনা ২ থরা ২ চাওখৎকনি । চহি ৪০গী অদু-রাইদাদি ঐ থরা থরাদি হেক্সংলি হাঙবা উনি ।

মুপা অসি উত্তরাধিকারসূত্রদগী সম্পত্তি থরা ফংগনি মাহুস্থ চহি য়াত্রুরবদা ফংগনি । অদুগা য়াম্না নিঙাই চক্রৌ থাংনা উচিন্না ফংবা মীনি । অমস্থ মাপা ফংকম থোকপা থোকপা শরুক মুনা ফংলোই, মরমদি মুপা অসিগী মরাইপক্তা নোংদম্বনা পিনা ফংবা অমক্তা লৈত্তে হাঙবা য়াই. থরা ফংবাস্থ নোমজমত্তনি ।

তৌবদা হৈগনদবা থবক— লাএংবগী থবক তৌবা পকনৈ, মরমদি মুপা অসিগী মশাদা য়েংচাবীগুম্ব চিংশিনবগী পাঙন অমা লৈ । অদুনা মুপা অসিগী অদুগুম্বা মগুণ অমা লৈবনা মানা ভাংবা থোংপদা অনাবনা য়াম্না থাজদুনা নারিবা অদুমক ফরে হাঙনা নিংগনি ।

অদুগা মুপা অসি মহৌশানস্থ অনাবা এংবদা য়াম্না হৈনবগুম্বা থবক অমম্থ লৈ । অদুগা প্রয়ুক্তখংবা অমস্থ রসায়নিক কর্মাদস্থ মুপা অসিনা তৌবা পক্কে । লানগী থবক তৌবা. পুলিস বিভাগকী থবক তৌবা. মাহুমক্কুদা ডিটেকটিভ থবক তৌবা হৈগনগনি ।

অহোমবাবুদি মাক্না হৈনবা থবক প্রোফেশনগী থবক্তা চেন্না পক্লে, প্রোফেশনগী থবক্তগীসু চাকুরীগী থবক্তা অমোক চেন্না পক্লে। ভারতা কাউথিবা ডিটেকটিভ সার যোগীন্দ্র নাথ মিত্র বাহাদুরসু মপোক অসিদা পোকই। মাসিদা পোকপা অসি নিংথৌদা সম্রাট আকবর, হাইদার আলী টিপু সুলটান, সম্রাট সপ্তম এডওয়ার্ড মাখোই অসিনি।

মুহোংবা—নিপা অসি মুপী থিবাদগী মরাইপক ফবা ওইবা য়াবা মীনি। মীগী মকোক থোংনবা পুকচেন অমসু মীগী কক্তবা থিজিনবা পামবা পুকচেম অনিসি থাদোকপা ঙমলবদি ঙাংশকপনা মীবু থাজহনব ঙম্বা পাজল নৈ, অদুনা মুপীবু চাগহনবা মুনা তৌ-হনবা লাইনা ঙমই। অদুনা মীগী চিত্ত থিগনবা ময়ী ওইবনা মতুদা মাত্ত গিজিনরুকবদি বিবাহিত জীবনদা মুংঙাইত্রবাদি মপোক অসিদা মুংঙাইবা ঙাংগদৌরি চোকসিনলু। নিপা অসিনা হৈজসিংদুনা মাগী জোগ ময়াম অসি তৌদবা ঙমগনবদি মহাক্তুম্না যুমনেবা মুংঙইব ঙাংগনি।

জৈষ্ঠ, শ্রাবণ, চৈত্র থাদা পোকপী মুপী পান্নবা মুপী অদুগা রাসি নক্কনদা পকনদবা থোকত্তবদি মুপী অদুগী মনিদা নিপা অসিগী মুঙাইবা থোইদংবী সোইরোই।

মকুপ—মকুপতিম্নবা য়াম্না চোকসিনলু। নত্রবদি তিম্নকবা মকুপনা মতুংদা একবা অচৌবা ওনগনবা মীনি, করিগুম্বা ইংকোং ফোংনা তৌবা সভাগমিতিগুম্বদা অমসু এসোসিয়েশনগুম্বদা য়াম্ন থুনা চোনবা মকুপ থবা ফংবা য়াট। জৈষ্ঠ, শ্রাবণ, চৈত্র থাদা পোকপা মীগা তিমবা চাম্না তিমগনি। অষাঢ থাদা পোকপা মীগা তিম্নবনদি নিপা অসিগী মাংনবা ওইগনি। অমসু দশমী, তৃতীয়াদা পোকপগা তিম্নরবসু পকনৈ।

হকচাং—হকচাং কবা মীনি, মরমদি নিপা অসি প্রজনন শক্তি য়াম্না লৈ (অঙাং পোকপা ঙম্বা শাহন য়ামনা লৈ (কথৌ ফৈ)

অচুমা কনা নাক্রচুনাম্নু থুনা ফংগনি। অচুনা মহাক্কীদি জননেন্দ্রিয়, (ঈসিংগী থোং)গী ইন্দ্রিয় সেবা হাকমনবদগী অনাবা পোকতবরা হোংনরবদি, হিপচাবদা নিয়মনাইরবদি মশা কত্তবা ওইরোই, অর্শ ভগন্দর ভোগনবা মীনি। ঙ-শেংদে, অচুনা ব্রহ্মচর্য্য অভ্যাস তৌবা কায়্রে, ওমলবদি হকচাং শেংনা লৈগনি।

পৌষ মাসদা পোকপা মী।

মীওং—পৌষ মাসদা পোকপা মীদি স্বাবলম্বী ওই অমসু আত্ম বিশ্বাস ওই। মানা মীগী মপান ভাংচন মীগী উপায়গহায় লৌচুনা পানগে নিংবা মীনচে। নিপা অসি উরিগুম্না অমদা এক্তর-বদি মথন্তা লেপপা ঙমদবা মীনচে, ফনা নংলবসু অথাবা ভাররবসু মানা ঙমজবা পাঙননা মাগী হিংনবা পানবা য়ানবা হোংনবা মীনি। মরমদি নিপা অসি মানা মাঙোর্দা লৈজবা মাগী মপাঙনবু মুম্না মণক থংই। অচুনা মানা ঙমলোইদবাবু ঙমগনি হাইনা অমসু ঙমগদবাবু ঙমলোইদবনি হাঙ্গনা লাল্না থন্নুনা তৌবোইদবাবু তৌসিনবা, তৌ-গদববুসু তোকথোকপা মীনচে, মরমপুমনমক্তা মাগী মতিক থংনা থবক তৌবা মীনি।

নিপা অসিগী পুকচেন খোইজেনদি নিয়ম কাইদনা চোকসিন্না, তৌবা অসিতানি। নিয়মনাইদবা পাকপাক পংতৌ তৌসিনবা অমসু সোরো-সোরো পংতৌ তৌসিনবা বিশৃঙ্খল ওইবা য়াম্না রানা থোকই হৈনদে। মাগী পুকনিংনা গুংমিৎ চুপপা কদাইনা লানবা হাইবসিগী যুক্তি তোত্নাতা লৈবা মীনি।

কনাগুম্বা মীনা থবক তৌবদা সোইবা, থংদচুনা তৌবা পুম্নমক মানাদি মুমিৎ চুম্না অচুম অরানতা থন্নুনা লৈবা মীতানিনা মেক্তা থংই, মীগী অসোইবনা মাবু থংহন্দনা নানথোকপা কব্রি অনংতা

ওয়দে। মানা হেক্তা মীগী অসোইবান্থ উই।

মানদি অচুম্বদা পাম্বা মীনিনা ফনাগুম্বনা চুমদবা মীনশা অমু ভৌরুবা থোকলবদি মানা খংবগা মী অমুবু হুংঙাইনি হুংঙাইরোই এংদে, থিনা হেক্তা হাঙ্গগনগি। মাদি ফনা চুম্বম্মু মীনা হুঙাই-রোইদবদি ঙাংদবম্মু তোকউ হাঙ্গবা নীতি অমু মানা লৌবা থক ওয়দে। অমুনা মীনা পাম্বনদব অচুম্বদি ওইবা বা ঙাংগনি। মাহু ঙাংলুবনা মাগী কানরোইদবাদম্মু ঙাংলুহুনা অরেম্বদা মানা মাগী এরুবা মী শেমজৈ।

মুপা অসি মতম চানা মানা মহৈ মসিং, লাই'বক লাইস্ম তম-হৌরবদি দর্শন অমস্ম বিজ্ঞানদা য়াম্না পুক্লিংনা পামজনা মানি। মরম দি মুপা অসি পোকপদগীনা জ্ঞান হেক তারকপদগী হৌহুনা বিষয় পুম্নমক্তা মনুংদা লৈবা অকুপ্পা মরু ওইবা অমু খংনিংই। মাহু খংলগা মরু ওইবা অমু কোংদোকপা ওম্নগা মানা য়াম্না পেল্লি, মানদি নিয়ম নাইনা অমস্ম চোকসিন্না চৎপ'ননা লৌচৎনা চিংবা চৎনবিদা উতাই চাদবা, অমগা ২গা 'তন্নবা য়াদবা হাঙ্গবাসি মানা য়ামনা হৈনদে। অহুনা মান্নদবাসিংগী মনুংদা অমত্তা ওইনা মান্নবা অমস্থ সামঞ্জস্য ওইবা কোংবা অসিদা হোৎনবদা মাগী মথৌনি।

মুপা অসিগী মশাদা য়াম্না কুপপ্রবা জ্ঞান অমা লৈ। মাহুগী পাঙম্না মানা নুর ২বা কয়ামুক ইরাই লাইনা খংই, মাহু খংনবা বিচার, যুক্তি ইত্তৌহেক তৌদনা মাদি অচুম্বা হেক্তা খংবাঙবা পাঙন লৈ। মাহুমনা মানা ফনা খংলুহুনম্মু মানা খংলবা অমুবু অমোক বিচারগী পাঙম্না যুক্তি তর্কনা মথন্তা তৌহুনা লেপতন্নিবা মথৈ মানা খংলিবহু মানা থাজবা ওয়জদে।

মুপা অসিগী মাগী মশাদা তাকপী তাকপীবা ওবা গুরুওইবগী

ভাব নৈ । মানা ওমলিবা মশাজল অদু মাঙোন্দা পোকপদগীনা ফাওবকই হায়বা মানা মশক চান্নবা থংদে । মুপা অসি মশাদা আত্মবিশ্বাস লৈবা (মথক্তা হায়খরে) অদুনা মাগী মমুংদা আত্ম বোধজ্ঞান (আত্ম তত্ত্ব = ঐ হায়বসি করিনো হায়বা খংবা ঙম্বা) গী বীজ লৈ । মাহুবু মাগী মহৌশানা লোইনরকপা বিজ্ঞানগী লম্বেন্দা পুসিন্দুনা দার্শনিক যুক্তিরোমদা চংহুনা প্রেম (ঈশ্বরবু নুংশিবা) অমসু ভক্তি (ম'বু হেনমদা মুংসিবা) গী লম্বেনসু লৈ । মরম অসিনা মুপা অসিনা ম'পক্কী ওইনা বিজ্ঞান, দর্শন হায়বদি আধ্যাত্মিক জ্ঞানদা মহৌসানা পাম্নকপনি । নিপা অসিনা কনমক বিজ্ঞানদা থ'দু-হুনাসু অমসু দার্শনিক কূটতত্ত্ব কনা নৈনাক্কবসু মাগী অংরাইবদি ভক্তি প্রেমগা লোইনবা জ্ঞানদা লেপকনি, মরমদি অচুম্বামক খংলবসু বিচাব যাওদনা অচুম্বনুম্ব. মানা মহৌশানা পামদে ধর্মগী মরমদা অন্ধ-বিশ্বা খক পামদে লৌদে ।

নিপা অসিগী পুকচেনবুদি মৱোসিংনা হেল্লি, মা অ-গী অবাবা উরগাদি অহুপহাক্তা মানা বাদে, সমাজগী অৱাবা, লৈপাবকী অবাবাদ উবগা মান' খাংবা ঙমদে । কনাগুম্বা অমবু উপকার তৌনিংদে, উপ-কার অহু'তৌরগা ময়াম্না কান্নগদবা অহুগুম্বা উপকারতা মানাপামই ।

দর্শন বিজ্ঞানগী মরমদা খল্লুরগা অমা ২ কাউবা মথৈ পুক্লিংনা পামজবা অহুগুম্না মুপা অসি শিল্পকলাবিদ্যাদাসু পামজৈ, মহাক্না য়াম্না হেক থাদোকপা ঙমদনা পামজবদি সংগীতবিদ্যারোমদনি । অদুগা নিপা অসি সংগীতবিদ্যাবু হৈগে হৈয়ু, হৈজবাসু ময়াই, অদুগা সংগীতকী মুংঙাইবদি খংগনি।

নিপা অসি ৱাখল্লা মকবা মথুৎনদি পাংথোকপা পামদবা মীতা নত্তে, মুনিৎচুপ্পা পংখনতা মথম্বুনা মংহাগুম্না লেনবা তৌদে, বুদ্ধিনা লাম্বা কংবামথে খল্লগা মাহু থবক্তা মশকসু থোক্নবা হোৎনৈ। অথুমদি

ওইরগা যন্ত্র শিল্পবিদ্যা- কোৎসাবা, থবকঅসি যন্ত্রঅসি সাহুনা সিজিন্নরবদি ফাউনি অস্নুম হাঙ্গৈবা বাথন অসিদি মানা থনবা হৈনদে। মানা য়াম্না হৈনবদি প মজবদি বুদ্ধি লৌসিং তৌহুনা পোৎ চৈগী হৌরকফম মরুওইবা পোৎথিবা, মাহুদা পোৎ থাবা হৈনদে।

লাইপক— মুপা অসি মরাইপক ফবা মীনি। মাগী হিংহুনা পানবা পুনসি অসিদা য়ামনা তোইনা চাওখৎপা য়াবা খুদোংচাবা তোইনা থেংনগনি। থোইদোক্নমক মীয়াইচনবা মতমদা চহি কুম্থা-নিথোইরাইদগীন। নিফুনিপান ফাউবা মমুং অহুদা খুদোংচাবা য়ামনা চাওখৎপা য়াবা খমথেংনা থেংনগনি। মুপা অসিগী পোকপদা লোইনজবকপা দোষনা মাংহন্দরবদি মমুং অহুদা মুপসোই সোই-দনা মাগী মপোকী মুংভাইজগদবা শরুকী খমথেংনা য়ৌগনি।

মাগী মরাইপক মাংহনগদবা দোষদি—মীথাথানিংদবা-মথস্তা মনিং মথা তৌনি'বা অমস্থ মপুক্তা লৈবাসু মী ইকাইগনি, সাও-গনি, হাঙ্গৈবা এংদনা করিস্থ কাম্নরোইদবা মরমদাস্থ ঐদি অচুবা হাঙ্গৈবনি হাঙ্গৈহুনা মীমু ও'থ ২ তৌবা মরমনা মীমু একনবা লেঙ্বা অসিগুম্বা মাগী সহজাত প্রবৃত্তিনা মাগী চাওখৎনবা নম্বেন্দা য়ামনা অপনবা ওই। মহাকী মীথা থানিংদবনা মাতনী মনিং তৌবা য়াজবা মথুন্তা লৈবা কন্নীস্ত পান্নুদকম্থ লৈ, মাহু চেকসিন্নরবদি মপোক অসিগী এনাক কৈরাক খুনবা ওমলোই। চহি ৩৬কী মতুং ৪২ দি হেন্দরিক্কৈগী মমুংদা মপোক অসিগী হকাও কাওবা য়াদবা ঙিকম থম থোকনি।

হৈনগদবা থবক— নিপা অসিনা মসিদি মতৌংগে হাঙ্গনা হাঙ্গনা পুক্নিং চংনবু হোৎনববদি মানা হৈনরোইদবা তেবা য়ারোইদোবা পকনবোইদব থোইথোকপ। থবক লৈতে অহুমকপু চাকুবা তৌবা অমসু ললোন-ইতক তৌবাবুদি মানা হৈনবকপা থবক অমদা মরম্মাই কন্না তৌবনা মাঙোন্দা খুদে বা হেলগ।

নিপা অসিনা য়াম্না হক পমজবান্ত থবক অহুদি তয়াং তসোইবা মীনা মাহু তৌবদা লুমনা থোক্রবা থবক, অহুগা মাহু তৌববদি রাখনদি য়াম্না চংগদবা অহুগুম্বা থবক তৌবাবু মানা য়াম্না পামজে। আইন হৈবগী থবক, ওঝা ওইবা, অমসুং মহু নত্রগা য়ামনা মরু থিজনবা নত্রবদি তৌবা যাখবা থবক অসি অসিগুম্বা থবক তৌরবদি মহাক ইন্না রাদনা মাবু মানা থাগৎনবা হেক্না ফংগনি। অমসু মহৈ চাগনি।

মুলোংবা— মুপী থিবা যাম্ন চাকসিন্দনা যাদে। মুপী থিবদা ইবাং অমদগী হেক লৌসিনলুবা, মুপী অহু লৌসিনলুবনা মুঙাইতবা ফত্তবা ওইমু হাঙ্গবা লৈ। নিপা অসি হমুং নংঙগী যুম্বানবা খুদোং চাদবা অহু মীঙোন্দা থক হাঙ্গদে ললোই, মা খংহন্দবা পামই। অহুনা মপান্দদি মীনা এংবদা মাখোইগী যুম্বানবা অসিদি মুংঙাইনা পাল্লি ফজে হাঙ্গন উগনি।

অহুগা লৌরুবা মুপী অহুগা চপ্প খোৎনবা মুঙাইনা পাম্নরবদি নিপা নত্রগা মুপীনা থুনা সিহনা কাইনবা নত্রগা অনিগী মরক তগী অমনা ইসোন সোনবগুম্বা অমনা মখোই অনিহু মুঙাইনা পামননা পানবা থক ওইবোই।

বৈশাখ, আষাঢ়, ভাদ্রদা পোকপী মুপীগা কোষ্ঠীদা শকনবা ফংনবদি হাঙ্গীগবা অরাবা অসি কোক্কনি।

মরুপ পৌষ, বৈশাখ অমস্তু আষাঢ়, ভাদ্রদা পোকপা মীগা মরুপ ওইরবদি চান্নবা চান্নগনি। একাদশী, চতুর্থীদা পোকপা মীগস্তু চান্নগনি।

হকচাং = হকচাংদি মফে, বাতরোগ লৈ, মাহু চাউরক্কনবা হোংনরবদি হকচাং ফবা মী ওইগনি। খোনাবা, চিন অমস্তু য়া নাগনলি, অহুগা থংনাম্বীদা শোকপা অনাবা তৌগনলি।

মংখনা কন্না নোম্বা, রাথন অরা মুণ্ডাইতবা খনবা ফত্তে, অহু তৌরবদি হকচাং য়াম্না শোক্কনলি। লমহাংদা চত্তুনা মংসিংলাংবা হকচাং ফনবদা পবাঁন। মাহুস্তু য়ামনা হেন্না তৌরবদি ফত্তে। উংগী অনাবা তিন্নোইঙ্গ ল ইকাই থংগনবা মীতানি, পাং— নোম্বানা চিংবা অনস্তু চংনীনাদগী ঈতাগনবা মীতানি, মরম অসোমদা চোকসিনলু। অহু নদগী ত্তাগনলি।

মাঘ মাসদা পোকপা মী।

মীওং— মাঘ মাসদা পোকপা মীদি এলহৌউদগীনা অরাংবা অচৌবদা তমথংপা (উচ্চলক্ষ্য) মীনি। মহৈ তমলে, থবক সুরে লোম্ববস্তু অহু মং ই থক্কিক্ক পাংনসানবা তৌগে নিংবা তৌদে, চাউনা রাংথংপা মহৌনদা এচনা হাম্বনা তৌবনা নিপা অসিগী পোক্কপদগীনা তৌরকপা লিচৎনি।

মহাকবী অসিগুম্বা হেক্কৎপাতা হোৎনবা ওইবনা মাহু মথক থোংবা অমনা নংদি মাসিগী মাথৈ তৌগদবনি হাঙবা অককপা অমম্রা থমজিনলবদি মানা য়াম্না থানা থোকই। মহাক্না মীথাপোম্না লৈবা ভমদে, পামদে ।

নিপা অসিনা তৌরুবা মরম পুমনমক্তা নুচিংবা ওইরভদা অমম্ব মানা তৌরুবা মরম অহুগী অকুপ আত্তাই পুম্নমক্কু মানা থংহুনা লোইনা এংবা থংবা নত্রবদি মরম অহু মানা তৌবা ভমদে ।

নিপা অসিনা পামই, মাগী কম্লনা (মাম্লম মাম্লম তৌগে হাঙহুনা থবক অহুবু থোক্করিঙৈনা হাম্লনা পুকনিংনা থমবা) পুম্নমক আদর্শ (কীদম) ঞা চপচাবনা তৌনবা হোৎনৈ (পাংনা শানাবা তৌহুনা মনাগী মহৎপু য়াইভংনা সিনগে হাঙবা ভাব লৈত্তে) মাহু হেক থোকভরিবামথৈ পোথাবা লৈভবা থোরাংনা নোম্বা করি অমত্তা ভন্দে।

থাঙ্গৈশেংবদা হাঙরবদি নিপাঅসি নোম্বা ভন্দবা অমম্ব অধ্যবসায় থবকভা য়ামনা চ্যোকসিননা হোৎনবা, হাঙবসিনা মাগী পোকপদগী লোইনরকপনি। মাহুমক্কনা মী অমনা তৌবা ভমলোইদবা থবক য়ামনা মানা তৌনি। নিপা অসিগী পুকচেল্দি য়ামনা পাংগলনি, অমম্ব থবক থুদিংমক বুদ্ধি তানা থাথল তৌনা তৌই, অহুনা নিপা অসি থবক তৌবা ফবা মীনি হাঙবা মী পুমনমকনা থংগনি।

দারিদ্র বোধজ্ঞান য়ামনা নিপা অসিদা লৈ, থবক্তা মানা তৌগদবা মশক য়ামনা থংই, মাগী তৌরুম থোকপাবু থৌওইদবা তৌদবা মীনি, অহুনা মাগী মথক্তা ভাররবা থবক থুদিংমক পাংথোকভরবদি মানা শ্রী মাংলে হাঙনা থল্লি। মানা তৌরুবা থবক অহু ভমদনা লোইরবদি মাহুগী হুংভাইভবামক্তনা মশা লোকপা নাথা মথৈ মানা থাই। অহুমদি ওইরল। নিপা অম্লিনা য়ামনা' থাংহৈবা মী ওইবনা অহুগুম্বা থবক তৌবদা অসোইবা লাকলবা মতমদা মানা য়াবনা পুকম্নিং ভলথনা

কর্মকলায় চৈংবা। মীদগুমনা ধৈর্য্য ওইনা অতাবা মাঙোন্দা খোক্তর্মগুনবা থাংবাদু ওবই।

নিপা অসি খবক অমসু মীশক থুনা ইমাইমাইনা থংবা ওবই, ধৈর্য্য (অতাবা ভারনদা ঐ লোইরোইদা ওনবা), মেম্বা কনবা অমসু অধ্যবসায় (মটেং মান্নরিবা—পাংথোক্তুরিবা মথৈ য়োংনবা হৃদয়।) সু ওই, অহুনা থোক্রবা অমাবা থাংবা ওবই, অমুমদি ওইরগা নিপা অসি মথানা আত্মবিশ্বাস—ঐনা মাসি তৌবা ঙমগনি হায়না থাজ-বাদি মাঙোন্দা ফনা য়ায়া বাংলি, অহুনা ঐ মতুংদা করি ওইরগদগে হায়না থজগা ঐ নংগনি, মতুংদা বাগনি হায়না থজুনা মরক মরক্তা হুংবংনৈ।

নিপা অসি অমোক ধর্ম্ম তৌবা য়াবনা হেক পামই, অমোক ইপাম হেক পাবদে, পাম্বু পামলগা ধর্ম্ম তৌবদা থৌনা য়ামনা কৈ, পংথৌতা তৌই। মরম থংদনা পংথাতা থাজবা অন্ধ-বিশ্বাস ওই। নিপা অসি ধর্ম্মগী ভাবতা য়ামনা গম্ভীর য়ামনা সুকই, তয়াং তসোইদে। নিপা অসিনা মতম অমদা অমোকস্ত ধর্ম্মদি ইতো তৌদত্রনা মীবু উপা-কারভ পংথৌতা তৌবাপামই। অহুস্থ কনাগুম্বা মী অমবু উপকার তৌবাযুদি সমাজগী দেশকী নতগা তাইবংপান অপুম্বগী সেবা তৌবাবুনা হেন্না পামই, অসিগুম্বা লিচং অসি মাগী মপোকনা লোইনরকপদা মানা মথান। অমোক্তা ভানসিন্নবদি নিপা অসিনা মবমগী, মীয়পাংককী, মী পুম্বমককী সেবা তৌহুনা অকম্বা থবক তৌগনি।

নিপা অসিগী মাঙোন্দা লৈবা গুণ্দ কর্ত্তব্য। মানা মাপোক্কী লো-ইনরকপা তৌকম থোকপা থবক) প্রেম, অমসু সামাজিকতাদা মাগুম্বা মী য়ায়া তাংই। মাগী প্রেম, মাগী সমাজ মতিন্না, মাগী ফীদম মতা অসি মী মতৈংগা য়ায়া মায়ন্নবাই, অহুনা মাগী য়ুমলোন চৈকয়োম্নবা মীমকমবু মানবু মীতা অতোম্বা অশুকপা মতা অমাগুম্বা মিংগনি। অহুনা মাগী নকম্বা মীপা তিন্নবা কয়া য়ারোই।

মুপাসি চোকশিনলি অমসুং পোৎ চৈ মাংহনগনবে, অমিসিনা মুপা-সিদা গুণ ওইনা য়াওরকইদি হাইববু গুণ অনিসি তোইনা সিজিনবা কত্তে, য়াম্না লিকই অমসু মাগী ওইজবত্তা এংবা মীতা ওনথিগনি ।

মীনা মপান্দগী এংবদদি থংদে, মসুংদদি মীবু হুসিং চাওই,, মীগী অবাবা উরগা য়াম্না বাই, অচুনা জ্ঞান তোগনবা মীনি । দান তৌবদা পামদবা মীনি । অচুগী মানা পাম্বদি মী মমদা পীগদবগী শরুকপুদি ময়ামগী লৈপাকী সমাজগীবুনা হেন্না পামই । মাচু গুম্বদা দান তৌবদা মুক্তহস্তনি ।

মুপা অসি য়াম্না বাথল বিচার তৌনা মীনি অচুনা মানা অচৌবা জ্ঞান লৈবা মীগী নীচংপু থাজে, অচুনা অফবা মীগী আদর্শ লৌদুনা মাগী হিংত্নুনা পানবগী থবক পুম্মক তৌনবা হোৎনৈ ।

মুপা অসি মাগী মথেদা মীনা থুং থিংজনলকপা য়াম্ন পামদে, মীগী মথৌনদসু মানা থুং থিংজিন্দ । মানা তৌবা থবক্তা মাগী ভাব চানা তৌদ্রবদি মহাক্তি হৈঙম সিংঙম থোক্তে ।

মীগা বারান ভাংবদা এৎনা খোংনবদা যাম্না কত্তনা ইন্নাই-লাইনা পৃথ কতুনা মীবু থংহনবা ঙম্না পাঙ্গান যাম্না লৈ । অচুম্নদি ওইরগা মগম্বনা ভাংহুনা বক্তৃতা তৌবদি মানা রানা থোকই । অচু-মকপু তঙাংদরবদি মানা তাক্কদৌরিবা রাকম অচুনা লোকশিক্ষা ওইগদবা লৈরবা নত্রগা পাউতাকপিবা রাকম ওইরবদি মথন্তা রা থরা ভাংবদা করিম্সু রানা থোক্তে ।

- মাসুম তৌহুনা মুপা স্তুসি মসাদা জ্ঞান য়াম্না লৈবা মীতানি, অচুবু মপান্দগী মীনা এংবদদি মী থরতনা মাবু জ্ঞান লৈবা মীনি হাইনা থংই । মাগী নত্তমগী নাসিংনা থংদবা থবক্তা মানা তৌহুনা চাক্তা লৈ, অচুনা সমাজনা মাগী বিরুদ্ধদা বতন অমদা লৈথনি মাবু লৈপাক্তা হুংসিদবা মিৎএংনা এংগনি । অচুনা অচুম ওইচুনাসু মুপা

অসিগী যুক্তিনে শক্তিনে অমসু পরিশ্রমনে অহুম অসিনা ফিনসিন্নুগা লৈপাক্কী সমাজগী সেবা তৌরম্নি। মুপা অসিগী থর্মদি লোকসেবানি।

লাইপক— মুপা অসি মরানাই হোৎনজবা নোথা অমসু মাগী মতিক মগুণমক্তগা চাওখৎনবা হোৎনজগদবনি, অমসু ওইরবদি তপতা তপনা উন্নতি ওইবা য়াবা আশা য়ামনা লৈ। ধৈর্য্য (ঐ সোইরোই হাঙৈনা থাজবা-অহুনা ফিংগতবা) অধ্যবসায় (মহৈ ফংদরিবামখৈ পুক্নিং হন্নবা থাদোক্তবা) অনিগিত্তনা মাগী চাওখৎনবা হোৎনগদবদি-নত্রবদি অকাইবা য়াম্মগুনা চাউখৎপা রাগনি। মুপা অসিনা পোকপদগীনা চহি ৩০ হেল্লারিবামখৈ, অচৌবা লেংনবা থবক তৌগনি হাঙৈবা থাজদে, ৩০গী মথংদা তৌরম্বা থবক অসি নত্রবনা মাগী জীবনগা থবক ওইগনি। অহুগা মানা য়াম্না কন্না তত্তনা মহোৎনরবদি অরোইবা শেষ অবস্থাদা য়াম্না শুনা মুত্তাইনা অফবা থবকনা পুন্সি চুপনগনি, মহাক্কী চহি ৩৭ তমগীনা সিবা ফাওবা পুন্সিদা সিংথাবা য়াবা থবক তৌগনি।

হৈনগদবা থবক—ইতঃ তত্তনা তৌবা, কন্না নোমসিনবা রাথর য়ামনা চংবা থবক্তা হৈনগনি। লৌসিং উবগী মরম, বাগিচা শেম্বা, হৈকোন লৈকেংনগী পোৎ চৈ শাত্থদগী থোন্নকপা মহৈনা মীয়ামগী কান্নবা অসংবা থবক্তা নিংথনা তৌবা ঙমগনি। মানা লাইরিক লাইস্ত তরৌরবদি বৈজ্ঞানিক গবেষণা তৌবা, ব্যবহারিক বিজ্ঞানগী মাহুনক্তদা রসায়নিক্কী থবকক মাখোই অসি মানা তৌনিংগনি। মাহুগী খুংথক্তা মীয়ামদা য়ামনা কান্নবা অহুগুম্বা লাইরিক লেংবা, প্রবন্ধ ইবা য়ামনা হৈনগনি।

মুপা অসি রাথন লৈবা অমসু যুক্তিবাদীনি, লৈপাক নিংথৌগী থবক তৌবসু য়ামনা হৈগনি। অচৌ আচৌবা ঠাকা তৌবা, লিমিটেড কম্পানিগী থবক তৌবা হৈগনি।

অচৌবা থবক ওইবা দায়িত্ব লৈবা, মীয়ামগী কান্নবা অসিগুম্বা

মত্তবা মখেখ মানা তৌবা কায়বা থংলোই। মাগী মপোক অমিদা বিশুদ্ধই, বিবেকানন্দ স্বামী পোকখিবনি।

মুপোখিবা—মুপা অসি মানা কৈশোরবয়স য়ৌরবা কাউবা ঐ মুপী পুসিনলগে-মুহোংলগে হাঙবা য়ামনা কয়া থক নিংলোই। মুপা অসিগী যুম্মানবদা গুণ্ডাই হাঙবসু নত্ত য়ামনা ফত্তেদা হাঙবসু নত্তে, জ্যৈষ্ঠ, শ্রাবণ, আশ্বিন থাদা লৌবা মুপোদি লৌবা ময়াই, অগ্রহায়ণ, বৈশাখ থাদা পোকপী লৌরবদি য়ামনা নংগনি।

মরূপ—মুপা অসিগী মাগীদি মাগা লেংদনা মচায়রে হাঙবা য়ামনা ভাংনা ফংগনি। ইফং মক কংদবদি তৌরোই। বৈশাখ, শ্রাবণ, আশ্বিন পোকপগা তিম্নরবদি কুইনা চায়গনি। দ্বাদশী, পঞ্চমী, তিথিদা পোকপা মীসু চায়গনি।

হকচং—পুক্রিং কাইবা, অরাথা থনবগী মশা ফংকসু হাঙবা মপোকনি। অসিগুম্বা রাখন্দগী পাকস্থলীদা শোককনবা মীনি। মাহুদগী বাতরোগ বায়ুরোগ ওইবা য়াই। থোংদা শোকপনবা তৌবা য়াবা অকি-বা নৈ। লিভর, প্লীহা, দা পীড়া চেনগননি। য়াদা নাকোংদা নাকজা চিকপা অনাবা নৈ। মকম অকবদা হুংসিং চানবা নৈকম হোংবা, অমসু পুক্রিং মকা ফয়া মুণ্ডাইবতনা হিদাক্তী হেয়া কায়গনি।

ফাল্গুন মাসদা পোকপা মী।

মীওং—ফাল্গুন মাসদা পোকপা মীদি অনিংবা অমত্তা চপমুংনা হেক্তা নিংবা থাজখিবা অমদা ইহোং হোংদনা থাজবা মীনি। মাগী থাজবা অমসু পুক্রিং অমি লোংদবা মতৌনা মাগী মিং মাইদা ওই-থোক্লকপা মতৌজসু মীনা উয়গা অউবা মীসু মাবু হেক্তা থাজবা কাউবা

অহুওবা মীনি। মশাবকম্ অশিংবা'বতা নিংববা কনবনুনা অশিংবা অহুতা উবাবথৈ নিংবা ওবই।

মাঙোন্দা লৈবা শংবগী শরুক্তা ইপ্নাইদগী হেন্না মাঙোন্দা [illegible] ২ পানগনি। অবা হুংসিবনা চিংবা অসি মাঙোন্দদদি ইপ্নাইদগী হেন্না খোংগাও কন্না পাল্লি। মরম অসিনা মী অতৈদদি থরদ হুংসিগদবানা মাঙোন্দদি ব্রানবাগী মথৈ হুংসিবা মসুন্না শাকনা চিংবা অনুভুতিগী বেগনা মান্না প্রবলবেগ ওই।

মুপা অসি মীয়াম ভিন্নবসু মথৈ, মরুপ মপাং [illegible] চিংবসু ভিন্নবা ময়াওই, অহুমদি ওইরগা মন্নান্না তৌদিবা [illegible] নত্তবা মাগী মরনাইগী অপাম্বা অমাসুম থনুনা লৈরুনা মন্নাবগী [illegible] অতুগা মাগী অপাম্বগা মামত্রবদি মানা মীতোপ ওইরুবা নৈ।

মুপা অসি বুদ্ধিমনা, কাওগনদনা মীনি [illegible] মাগী বুদ্ধি [illegible] অসি মান্না [illegible] হবা মীনি। অহুনা মানা [illegible] [illegible] মানা থাজখিবা অহু পুক্লিংনা শাবা ওইরবসু মাঙোন্দদি [illegible] [illegible] অহুমকখোকই।

মাগী প্রেরণা—অইনবা অসি মান্না [illegible], অহুনা মানা থংগে থংগে হাইনা ইনশিন্নকপা পোং অহু [illegible] 'মিংএংনা থিজিনলকপদা বিষয় পূরমক মনুংদা মরুওইবা পোং অহু কাউবা হেক চংশিন্নুনা কনমক নুংবা ইয়েংয়েংশিন্নবা মিথয়ম মাঙোন্দা শাইনা হেক্তাশোকই, অহুনা মানা থংগে হাইনা তানশিন্নুনা থংবা মরম অহু উবগা মরম অহুদা মামনা হৈবা মীমকপু ওকই। মহাত্মা গান্ধী,

লিক জ্ঞানস্থ অনিমক্ মানা হোৎনরবদি মাঙোপা অরুবা ওইবা অমত্তা থোক্কে।

নিপা অসি এৎনবা য়ামনা হৈ মাগী য়েৎনবদা নিঙাই চাওবা অহু যুক্তিগা লোইননা পুথোকপা য়ামনা হৈ। অহুগা মাগী অনুভূতি শক্তিগী পাঙ্গল য়ামনা লৈবা অহুনা .পাং পুংনমক মান' চান্নবা অচুম্বা মশক খংবা ঙমই, অহুনা মানা অচুম্বনি হাঙ্গনা লেপপ্রবা অহুদি মীনা যুক্তি লিশিং তৌহুনাস্থ হোংবা লৈতরে।

সঙ্গীত, চিত্র, অমস্থ কাব্য অসিগুম্বা কলাবিদ্যাযু খংবা ওম্বা জ্ঞান মহোশানা লোইনরকই। অসিগুম্বা কলাবিদ্যা অসিগী জ্ঞান অমস্থ দর্শনগী মাইকৈরোমদা মানা থিজিনবা পামই। হাঙ্গবদি ঈশৈ শকপা ঙমলগা পেনদে, ঈশৈ অহুগী থোরকপা মওং অহু বিজ্ঞান অমস্থ দর্শনগী যুক্তিগা খংনবা হোংনৈ, মাহুগুমনা লাইএকপা অমস্থ কাব্য·কলা রচনা তৌবাদাস্থ মাহুমনা থিজিন্নবদি মানা পানদে।

মপানদা মীনদি নিপা অসিবু অফবা মীনি হাঙ্গনতা খংই। অহুগা মন্নুংদা মাগী ইশ্বাইগা মান্নদবা পাঙ্গন লৈবা অসি'দ অখংবা খরতনা মখংই। মাগী মপাঙ্গল অহুনক্তি মানা মী অসি মাবু ঠকি-রগে নিংলবদি মানামীবু ঠকাইবাবদা কনাঅমত্তনস্থ ঠকিরিবনি হাঙ্গবা খংদে। অহুনা মাগী মন্নুংগী অকুপ্পা খংবা মীয়ামদবনা মাগী মন্নুংগী পুকচেন তিম্নবা চান্নবা মী য়ামদে। নিপা অসি মাগা তিম্নবা মীগী মগুণনা মাবু অয়াম্বা পুই। অহুনা ফত্তবগা তিম্নারুরবদি জ্বালতৌবা, জুবার সান্নবা, লৌনম নমথাক তৌবা য়াওবদা মানা করিস্থ হলেং-লোই। মরম অসিনা চহি ২৫ হেন্দরিবামথৈ মী তিম্নবদা য়ম্না চো

কসিনদু। চহি ২৫ কুনমঙা হেন্নবদি সঙ্গ দোষনা মাবু ৎহন্দবা পাক ওয়োই।

নিপা অসিগী নাড়ীমণ্ডল সিংলি নাওরি অপুম্বা অসি) মতম অয়াম্বদা উন্তেজত (ফিংগৎতুনা ঙাক্তা) ওইনা তৌবনা নষ্ট। অহুমকপু মহাকনা মুমিৎ চুপপা ইফিংতা ফিজংপা লাকওম কাওম-দবা মী, অহুগা অঙাওবা মা অসিগুম্ববু মহাককী মিত্তনা এংহুনা নেমথহনবা য়ামনা লাইনা ওম্বা পাঙ্গন নৈ। অমম্থু নিপা অসি স'ওগনবা, ফিংগৎকনবা অমম্থু অঙাওবাগুমবা মীগা তিন্নবনা মহাকী মপুনসিগী অয়াম্বা মতম লেনগনি।

নিপা অসি ভম্বাপাম্বা, রাখন চাওবা মীনি। মানা মখল মথা অয়াম্বা বিষয় তনসিনবা ঙম্বা পাঙ্গনম্ব নৈ অহুম্নদি ওইরগা পোথা-বাপাম্বা মুঙাইপাম্বা অমম্থু পাংথোকচানবা দোষ অসি মাঙোন্দা নৈ, মাহু মানা কোকথোকপা ঙম্নবদি মাগী মপোক অসি মী ওইগনি। মাহু ঙমত্রবদি মাগী মপো'ক অসি মানা খনবা লেপ্পা পুম্নমক করি অমত্তা ইওই ওইরোই আকাশকুসুম ওইনি।

লাইপক— নিপা অসি মরাইপক ফবা মী নত্তে, মাগী মরাই-পাক্ত মী অতোপ্পগী নখুত্তা নৈ, মীনা শেম্বীরগা ফবা, শেম্বীদবগা মাংবা অসিনি। মাবু মীনা কোনবিবগা, নত্রগা এনাক কৈবাক থুনবা মীনা মাগী মবি মতা ওইহুনা শেম্বীরবা অহু ওইরতদা মহাক মী ওইগদদবনি।

নিপা অসিনা মাগী মুঙাইনবা লাইপক ফনবা হোৎনরবদি পাং-

খোকলোয। মীশিংদমক ফনবা হোংনবিরবদি, মীশিং কাম্নবশিংদমক্তি মানা লোম্নপী মঁহে উগনি। অদুগা মানা মীওইনা পানবদা মখং মখং অমুখ তানথংনকতুনা মুংঙাইবা কদোম্মুংদসু থক ওইরোয়। থম শেংনা তুম্নবা মথক মথা ওম্নতদা অমোক থম্না থম্না চাউথংকনি নিপা অমিশিং মপোক্তা চাউথংপা য়াবাসু মথোংনগনি মাশিতনবা হো-রেপ হঙ্গেং হাঙ্গিবা পাংথোক চানবামক্তনা মানা ইফং কংলোই। অমুমকপু মীশিং মথা থানা থবক তৌরবা, মীনা তাকপদা দণ্ডিগুমনা তৌরবা, মাচু ওইরবদি নিপা অসি চাউথংপা য়ানা নৈ।

তৌবদা থকনগদবা থবক-পুকনিং অনি লোংবা য়াদবা থবক পুম-নমক মানা তৌবদা শাংগনি : মানা মাশি অনুভূতিগা মরিলেনবা থবক পুম্নমক তৌনিংগনি। সঙ্গীত-শুং, উশৈ, কসোট, অদুগা শিল্পবিদ্যা মাখুওম্না মথো শিল্পনা মমুশাগী চপচানা থবক তৌবা অসিগুম্বা থবক তৌবা পকনৈ। নিপা অসি অইনকনবা, বাথন অনি লোংদনা মী ওইবমা কল কাল (যন্ত্র) শেম্বা, শাবা হৈবা ঙমগনি।

ইলেক্ট্রিক, রেলওয়ে, এডোপ্লেন, টেলিগ্রাফ, অসিগুম্বা থবকতা চংবা পকনৈ। অমসু লিমিটেড কম্পানি, এসে সিয়েশনদা তৌবাসু পকনৈ।

চিকিৎসা লাএম্নশী ময়মদা পুম্নমক তম্বা য়াম্না পকনৈ। ড্রামটিক কী থবক তৌবা পকনৈ।

মুপীথিবা—য়ুম্বানবদা মুহোংবদা মুংঙাইগনি। অর্থাৎ মানা মুপী থিবদা থুদোংবিবা ফত্তবা থোককনবা মী নত্তে। মুপা অসি পক্রবা এদেরবসু মানা তৌরবা মুপী অচু ফনামক পক্রদ্রবসু মাঙোনদা থোইদোকপা মুপীগী ময়মদা ফত্তবা ফংগনদবা মীনি। আষাঢ়, ভাদ্র কার্ত্তিকা পোষপা মুপী লোবা নত্রগা কৃষ্ণপক্ষগী চতুর্দশী অমাবস্যা

অমসু এভিগদ, পঞ্চমী, সপ্তমী, দ্বাদশী (পক অমিত্রকীক) দা পোকপা হুপী দৌরবদি শোইদনা মুক্তাইগনি ।

মরুম—আষাঢ়, ভাদ্র, কার্ত্তিক থাদা পোকপা মীগী ভিন্নবদি চেংনা ভিন্নগনি। তাদ্রদা পোকপনা অমোক মামনা থেন্না কৈ, পঞ্চমী, দ্বাদশীদা পোকপা মীগসু ফুইদনা ভিন্নগনি।

হকচাং- হুপা অসি হকচাংবুদি পুকনিংনা ফবা হেন্নি। অতুনা মায়বদি পুকনিংগী পাজনভনা অনাবা অরুবা কয়াযুক ফত্ত, ঐ কৈসু তৌদে নিংথবনা ফবা ওবা মীনি।

পাকস্থলী, গী অনাবা চেন্নি. ফিরাক মোংথুম, দৈ তাগনবা মাতুওবা অনাবা তৌগনবা মীনি। চাবা তুমগদে। অতুমনদি ওইবগা অনাবা জাৎ অসি তৌরবদা ইচম চবা চিদাক্লা হেক্তা ফগনবা মীনি। মহাক অসিমক্তবু মায়গা হয়াই নাইবা হিদাক্লা হেক্তা ফগনবা মীনি। অতুগা নাবনা কয়বাসু মাগী পুক্লিংমবু ঐ ফত্তুবি হাঙনা নিংলবদি নাবা ফৱে হাঙবা মানা থাজগ্রিবমথৈ অনাবা চান্নদা থক কোকলোই। মরম অসিনা নায়গা মকম হোংবা হবা ফবা মকমদা হবা চাবা, হিদাক্তগী হেন্না কান্নগনি।

হুপা অসি মশাদা ঈ চেনবদা অপনবা নৈবা মরমনা মশা কুডাই. বভা থোং-থুং ইংনা নাগনবা মীনি। য়া নাবা খুকউ চিকপা, খোংগী মচা মচাদা নাবা, খুয়াদা লংপোপকুম্বা অনাবা, অমসু বাতরোগসু কৌগনবা মীনি।

চৈত্র মাসদা পোকপা মী ।

মীওং—চৈত্র মাসদা পোকপা মীদি পুক্লিং লেপ্তে, মাসিনা মকয়ে, মাসি ঐ তৌগে অনুকমা বরিকধ! অমনা লেপপা ইভন

ভুমদে. হৃজিক নিংঙ্গা মাসি ভোগে হাঙবা অহু মভুংদা থোরকপা কৌবম অমগী মভুংইমা হেক্তা হোংই। থৌদোক্তী ঈচেপা অমুম তাউং- হুনা পুবামৌনি, অহুনা মাগী পুক্‌চেন অহুবু মানা মথন্তনা অশিমওইরে হাইবা খংদে। ভফিং ভফিংই, মাসি ভোহৌম্রবদি মংলরোই হাঙবা মতাগুম পাক ২ ভোগননি। অহুনা মাবু অরেপপা লৈত্তবা ওইনা খংই।

মহাক্তী হিংহুনা পানবা পুনসি অসিদা এলহৌঙ্কেদগীনা মাগী চাউখৎকদবা লংেলদা অকাইবা য়ামনা ভোইনা থোকই। অভোবা থবক অহু লোইদ'রিঙদা ঐনা মাসি তোৌবদা মথৈ চাগনি হাঙবা মথন্তা থাজরক্তহুনা থাদোকই। অহুম ২নদি ওইরগা মাগী মাহুম ২না খুদোং থিবরুবা মতমদা অচোবা মী মতিক মঙান চাউবা, এনাক কৈরাক খুনবাসিংনা সোগংপি। মাগী মরিমতামু মফম নাইবা অগোবা মী লৈ। অহুগা মশানদি লুচিংবা ওইবা ভুমনোই মানা তিমরুবা মীগী মচৎ অহু ওই, ঈশিংনা ভোবগুম সঙ্গোমগা তিম্নরুবে সঙ্গোম নোংমাংখাগা তিমরুবে খাবা অহুগুমা তিমা ২ বা মী অহু হেক্তা ওই।

নিপা অসিনা মতম অমদা হাঙখিবা নত্রগা ভোখিবা থবকক। মতম অমদা হাইদোকপা নত্রগা ভোথোক্রকপা থবকক। অনিহু ইমান মাঙৈদবামরমনা মাগী পুক্রিং লেপ্তবা মরমদগী থোকপা খুদোংথিবা রাইচিনবা অরাংবা, হুঙাইতবা পুমমক মানা মাগী মাইকৈ পুম্নমক্তা শেমজবা মৌনি। অহুগা অহু অহুগুম্বা মতম অহু ওইরক্রবদা মানা নিংই, মাগী মরুপমপাং ইমুং মমুংগী মী অকোইবদা লৈবা সিংনা থোকহনবনি হাঙনা নিংই, মানা মাবুদি মাগী মত নত্রগা ধর্ম্ম অহু থাদোক্রুবা, চেৎনা পাইবদগী মাইথিত্তনা মাংলবনি হাঙনা নিংই। মাসিগুম্বা থেদোক অসি ভোইনা থোকপাদগী মানা মাবু তাইবংপান পুম্নমকনা মাংনবা ভোবিরে কাউবা নিংলকই।

নিপা অসি মাগী মহৌশানা পুকচেল চাওবা অমসু ফিগনবা মী-নি, মানা মীগী অরাবা অনংবা উরগা খাংবা ঙমদে, মাহুমনা শেন-থুমগী মরমদাসু য়াম্না পুকনিংদা থমি। ঐবু মতুংদা কয়ি খোক্লগদগে হাইবসি খনলি মহিম্না খললুরব। মতমদা য়াম্না নুংশা থি। নিপা অসিনা লুপা সংবাদা পামুবাদি নৈতে অহুবু মীনাদি মাবু অরিকপনি হাইনা লাম্না থংই। মতম অমদা মাগী মীহুংসি খাংবা ঙমদবা পীগনবা অহুগী মতুং ইন্না পীগে নিংথিবা দাননাচিংবা অহু মচিন্না হাইদোক্লবা অহুগা অহুগা পীবদি পীহৌ ত্রবদি মহাকক্নী মতুংগী খনথরকপা মতমদি লিগে হাইথিবা অহুগী ওথাই নত্রগা ওথাইগী ওথাইডা মপি।

মীগী অরাহুংসি থংবানা মথন্তা নৈবা ঙমদবা মথৈ রাই, কন্না-ওম্বনা মহাককী অসিগুম্বা ভাব অসি থংহুনা মাবু য়ামনা থাজহুনা থবক সিন্নরবদি থবক অহু চেৎনা অমসু বিস্বাস মা৲হন্দনা নিংথিনা তৌবা ঙমই।

নিপা অসি বিষয় ময়াম ইথং থংজিনবা ঙম্বা পাঙ্গল নৈ। অহুনা মানা থংনিংবা বিষয়সিং অহু চিন্দা পুবা ঙাক্তনি। মানা মচিনদা ফা-ম্নিবা অহুনবু পুকনিং চংনা বুদ্ধি তানা থংবদি ঙমদে। নৈপাক ময়াম কোইবগী রা, তুজুংনবা ওইবা থোদোককী রা, উপন্যাস অভোপ অভোম্না নৈপাক কী ইতিহাস, অসিগুম্বা ময়ম অসি য়াম্না পামই, মশা-মকসু নৈপাক ২ ডা চৎপা কোইবা পামই।

নিপা অসি সম্মোহন, ভৌতিক চক্রগুম্বা থবক ভোবদা য়াম্না হন্না-ওই। মী অমবু হেক সুমহত্তুনা থম্নগা মীঅহুবু তিনফাউ নাইকাও হেক কাওহনবা ঙম্বাপাঙ্গলসু মহৌশানা লোইনরকই, যোগসাধনা তৌবা অসিগুম্বা থবক্তা মপোককী ওইনা লোইনরকপা নৈ। নিপা অসিনা মাসিগুম্বা ময়মদা কম্না তানসিন্নবাবদি ভক্তি, প্রেমগী সাধনাদা য়ামনা চাউখৎপা ফংবা য়াই। মাহুগুম্বা লম্বেনদা নানা তান্নবদি মাগী পুকচেল অসি মাগী কান্নবা থিদবা, মাগী ওইজবা থাদোকপা,

পুক্তিংলা থুকংতবা, থাংবা ফনবা, তাকপিহৈবা, ইর্বরলা মশাঅপুম্বা কথোকপা ঙমগনি ।

নিপা অসিনা ইন্দ্রিয়সুখবু কংনিংহুনা ভানবদি মাগী মপোক অসি হুমিংচুম্না অশান্তিগী মশক ওইহুনা হিংহুনা পানবা পুনসিদা লুংঙাইবা অইংবা কংলোই । মরমদি মাহ্নু ওইরবদি হুপী অপামব লৌংগ, অহা-উবা চাগে এনাক থুনগে, অসিনাচিংবা হোৎনবজ্বা পুকনিং লেম্না ঙমদবা হুমিংচুপপা ইকিংতা ফিংগৎপা ওইহুনা জুরায়সাম্নবা, ব্যভি-চারী ওইবা অসিগুম্বা কত্তবসি ওইথরে, হাঙবাদা মাবু মীনা তৌরম-লোই হ.ঈবা থাজয়োই ।

নিপা অসিনা মাগী মপুনসিবু আধ্যাত্মিক জীবনদা হাপচিনবা ঙমবদি হাঙবদি—ইন্দ্রিয়সুখ পামদহুনা জীবনগী ফনবা, তাইবংপানবা মপুগী তম্বনাচিংবা থিহুনা মাদোমদা তানসিনগ্রবদি জীবগী অরাবা উর-পা থরোই কাইথামথে মুঙাইরোই । অতিথি সেবা, অনাথগী সেবা, লোকসেবানা মাগী হিংহুনা পানবা মতৌ ওইগনি ।

চৈত্র-মাস হাঙবা থা অসিদা চহি অমা হৌই, মাবু নৈভৈরোন্দা পজিভু থা কৌই, থা পুম্নমককী অহোবা থানি । মেদনা হাঙ থা অসিদি জীব পুম্নকনা তাইবংপানবা মপুদা কথোকপ্রবা থানি । অহুনা মাসিদা পোকপা মীদি মাগী মশা অপুম্বা মতু মচা মরম, মশা পুম্নমক ইশ্বরনা পুমনা হাপপা ঙমবদি আধ্যাত্মিক জগত্তা থয়োবী ঙমথে য়েৌনা পাম্লি । মীরবেলগী মুঙাক্ষা তাম্নুরবদি মরেম্বদা চেপাই-শুম্না থাংহুনা লোকই ।

লাইপক—হুপা অসি লাইপক থিনা থীনি, মাগী পাংবা [illegible] [illegible] মাগী মপোক অসিদা [illegible] [illegible] ওইগনি । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মী ওইননবা [illegible]

লাকনগনি। আভাপপা মীগী মথুঙ্‌ মাগী মরাইপক লৈ, মানা শেনজন ইপাম বোতি অননা মহনবা য়াবোই ঙুপা অসিনা পেক্‌পা মনদা ঙহনিংগী লৈবনা মাননা মজক তুনা হোংদোকহনগুবদি তৌনবক্ত মাই। ভতনত্রবদি নপোক এসিদা মাগী মরাইপক অববদি নপেংলাই।

অতুগা ঙুপা অসিনা কৈজ লংজহুনা মাগী উদন্‌ অসি উনদা পুমংনা ঙং না লৈতবা হন্নবদি ঙুপা অসি লোবসেবা থৌবা মর্দনা এদি তৌবা ঙমগনি। মাহ্‌মনা ওইরভনা মাগী পুমচেন অসি হংনবা মপনা হোংগংলভনি। মাহ্‌ নত্রবদি অনোকতা অনোক কাং তৌহনা নপাক অসিমা লেনগনি। মানা করিগুম্বা অকবা অমদা মপোক অসিনা তৌরম্বা ঙমলোই।

তৌবদা পন্নবা থবক—ঙুপা অসিনা মাগীদক তৌবা, থবকপুদি মাগীদবক তৌবিবনা তেন্না পকনে। অহুনা স্বাধীন ওইনা তৌবা থবকপুদি মীগী নথাদা তৌবনা মাগী থন্না কান্নগনি। মুমিৎ চুম্না ফিংগংহুন্না লৈহন্না মাগী অবেম্না থম্বা ভমত্রবদি মানা হৈনজককপা থবকমকপু মানা নিংথিনা তৌবা ঙমলোই।

মুপী অলিগী চিংবা মানবা অবেম্না অমা হাম্ননা টৈবা থোক্ত্রবদি লৈ মাবদগী, কোম্পনি দার্জিওম্বা কাইবা য়াদবা ভত্তুনা শেন্দোই হংবাগুম্বা অমা লৈরবদি মানা চুমনা অচোইবগী নোমজত্রবদি মানা হৈজনকপু মরম পুনদা অঙ্গব হোৎনজবা কাবক ২ মরাই। মাহগুম্বা লংবা চানন লৈরবদি ননোনবা মাই, লাইএংবা হিদাক নাংথকো যানোনবা, নাইনিক লেংবা পক্তে। চাকুরী তৌরবসু এজেন্টগী থবক তৌবা, কেহৈনা চতুনা দনাঙ্গৌগী থবক তৌবা, সেক্রেটারি ওইবা,

একাউণ্টেন্সিগী থবক, ল্যাবোরেটরী থবক, রাজনীতিগী থবকা য়াওবা পকনেল। হোস্পিতালগী থবক তৌবা য়াই। ব্যাঙ্কগী থবক ইনস্যুউরেন্সগী থবক তৌবা ঙমগনি। মানা তৌরবা থবক খুদিংদা মাবু সিজিন্নরিবা মীনা মাবু থাজবা উৎনবা মানা মহৈরসিং থোক্তনি। মকোকনসু খানিদ্রবদি মীগী হৈনিংবা মাংহনা থবক অমসুং মানা কন্নি অমত্তা তৌবা ঙমলোইদ্রা।

মুহোংবা—মুপী শিংনা মুস্বানবদা হুডাইবা য়াই। অমুদি ওইরগা মুপা অসিগী পুক্নিং নেপডবা অমসুং তৌনিংবতা তৌগনবা থনথবা পাদল্লা লৈতবনা মহাকী মপোক অসিদা খোরাং খোইগাওবা, ঈংবা য়াদবা অসি মুস্বানবদা তৌবা য়াই। ইমুংগী অকুপ অতোইদা হুনিংচুমা এংসিনবা মরমনা করিসু লৈতবা মকুপ মতাইগীদমক মুস্বানবগী অকাইবা হৌরকপা য়াই। আশ্বিন, অগ্রহায়ণ থাদা পোকপী মুপী নত্রগা বৃষ, কর্কট, কন্যা; মকররাশি ওইবী মুপী নৌরবদি হাঈরবা দোষসিং অমু য়াম্না কোককনি।

মরুপ—মুপা অসিগী চান্নবা মরুপ য়াম্না ফংলোই। থরতা মনৈগনি। অমুন্নদি ওইরগা অচৌবশাং, মরিংচংপা নীনদি য়াম্না সাহায্য তৌগনি। শ্রাবণ, আশ্বিন, আগ্রহায়ণ থাদা পোকপা নত্রগা চতুর্থী, একাদশীদা পোকপা মীগী মরুপ ওইবরবদি চেংনাচান্নবা ভিন্নগনি।

হকচাং—হকচাং য়াম্না ফবা মী নত্তে। ক্ষয়রোগ অমসুং টিবি তোংবা অনাবা তৌগনবা মীনি। অরাবা রাখল তৌবা, পুক্নিং বাবা অসিগুম্বা পুক্নিং হুডাইজবদগী মকৎকী দোষ, বাত অমসু রক্তদোষগী অনাবা তৌগনবা মীনি। হকচাং ফবা থাম্নবদি অশেংবা পুনসি ওইনবা হোৎনৌ অমু ওইরবদি হকচাং ফগনি।

মথক্তা রবিনা রাশিসিংদা লৈবাগী ফল অমু থা ১২ দা পান্দুনা হাঈখরে। হাঈরিবা ফলসিং অমু মী অমুনা পোকপা মপোক মুনিংকী ফলনা মাহুবু শাসন তৌগদবনি। অমুনা হুদ্ধিক্তি মুনিং চয়োল ৭-কী

থা ১২ দা ফল মান্নদে, মাহু থংনবা চক্র অমা মথাদা ইরি। মাসিদা এংলগা মী অহুগী মপোক হুমিংনা ভাকপা মনিং অহু থংলগা ফল এংগদবনি। মাহুদা থংদবা য়াদবা মরমদি—মথক্লা হাঈগুবা থা ১২ অহুদি সৌরমাসনি, চক্রদা ইরিবা থানা মোখ্যচান্দ্রমাসনি;—হাঈরদি নৈভৈগী মচাভুনা চিংবা থানি।

মহৈদি—১। নিংথৌদা পোকপা মীদি চাউথোকই হুডাইবা পামই সাদোং কংই, য়ামনা হুডাই, য়ামনা রাই, মীনা মুনাতোই, ভুংদা য়েং-নিংদে, ঐগী মীগী নাই, মী সিজমবা পামই, অসিনা চিংবা॥

২। নৈমাদি চানথকবা থৌরাং পামই, য়েনছাংনাপী শেম্বা হৈ, মুর কোইবা পামই, থবক তৌবদা বা ভাংই. শেনকুপ থুমকুপ পাগানি, মচামত য়ারক বাভেম্বা পামই, অসিনা চিংবা॥

৩। অঙাংদি—পুকনিং তয়াং অসোই, মথুন ময়া য়াংভি, পুক্লিং অিংভি, বারেম ভাংভি, নিপাদি ভল্লি, হুপী ওইরগা কেথোকই; অসিনাচিংবা।

৪। মীনাই—য়েলহৌভেদা নংভি, ভোলোইদা অবাবা কোকই, মীনা সিথমনিংভি, মীগী থবক তৌবদা মদতুংবাই, মীনা সিংথানদে, য়ামনা নোমই, পুক্লিং পোনই—অসিনাচিংবা॥

৫। পীবা—মীতুংই, মীখোলনা নিথংলি, ভনি, চাউথোকই, থবক য়াংথোকদে, অসিনাচিংবা

৬। পণ্ডিত—হনচক ভাচক সাই, হৈনিং সিংনিংভি, বারকথোক য়াউগনি, লোলিং চাউবা সাই, অসিনাচিংবা।

৭। নাহেত্র—য়ায়া হৈ, থক গী তুনাথালনি, মচিন অনাইনা [illegible] চক্রৌ ফজে, চাউথোকই অসিনাচিংবা॥

থা	নিংথৌ	বৈরা	অঙা	নীনাই	পাবা	পঙিভ	সাহেন্দ্র
সজিবু	লৈপাক:	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা
কালেন	নিং:	লৈপাক:	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং
ইঙা	নোং:	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ
ইঙেন	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই
থবান	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন
লাংবন	শগো:	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ
মেরা	য়ুমশ:	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা
হিয়াংগৈ	লৈপাক:	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা
পোইনু	নিং:	লৈপাক:	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ	নোংমাইজিং
ৱাকচিং	নোং:	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই	থাংজ
ফাইরেন	থাংজ	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন	ঈরাই
লমতা	ঈরাই	[illegible]	নোংমাইজিং	নিংথৌকাবা	লৈপাকপোকপা	য়ুমশকৈশ	শগোনশেন

মাস ফলগী উপপতি।

মীতৈবাগী মক ওইবা পোৎ অহমনি, মাড়সি, থরাই, পুকচেল অমত্ত হকচাং। উপোইদ পোকপা মতমদা লৈবা হুমিৎনা থরাইবু ... পুরচেল অম ... হকচাংবু থংহলসি ... । হুমিৎ থা ... মীহুনা পোকপা মতমদা লৈবা ... উৎসি।

... লৈবা পোইনি, মাড়ুদি মেষ, বৃষ, মিথুন, কর্কট, সিংহ কন্যা, তুলা, বৃশ্চিক, ধনুঃ, মকর কুম্ভ অমসুং মীন ১২ নি। মী অহুনা পোকপা মতমদা হুমিৎনা মেষদা লৈরবদি মী অহুগী থরাই অহু মেষগী মথক্তইগুম্বা ... তুলাদা লৈরবদি মীহুগী পুকচেল অহু হুমিৎচুম্বা চৌইচাং ... হোৎনহুনা, লৈ, মীঅহুগী লগ্ননা , মীনদা লৈরবদি ... হকচাং গুমই, অসিনা চিংবনি।

মাস ফল হঙ্গবদি — বৈশাখ — মেষ, জ্যৈষ্ঠ বৃষ, আষাঢ় ... অসিনা চিংবনি হুমিৎনা লৈবা রাশি, অহুগী থরাইনা ... মাস ফল হাঙ্গনা শেংবাক পেতনি।

শ্রীঅতোম্বাপু দেবশর্ম্মা
মণিপুর ১৯৬৫

মুনিসীংগী মচান্দা ফাহনা লৈবা বেদ ময়াম্থু ইথোকই। মহাকপু বেদ ইথোকপনি [illegible]

হাঙ্গৌবা উপাধি অসিনা লৈ...ই। অর্থদি বেদবু খোমজিন্দুনা ময়েকনা ইথোকপা মুনিনি [illegible] অসিগুম্বা

বেদ ইথোকপা বেদব্যাসনা মহাকৌ মহাভারততা সংসংনা হাঙৌরমই, বেদ অমস্থু বেদনা তাকপা [illegible]

হায়া খোঙ্গা কোম্মা অতৈ লৈপাকতা সন্দোকই, অদুনাদি ময়েক্কা তারে, মাহুদি ময়েকনা [illegible]

ইথোকপা হাঙৌবা অসিসু বেদনা তাকপা ধর্ম অমনি, অদুনা ময়েক্কা ইবান্থ [illegible] মিতৈ লৈপাকতা

হংলনা খোঙ্গা অকোনবদা অতৈদা সন্দোকখিবনি, মাত্র উদ্ভিজ্জ থানাহনা এংবা বৈজ্ঞানিক প্রক্রিয়াগা

...নদনা পংলে, মাহুদি বেদগী ময়েকক মিতৈগী ময়েক মগা অমত্থনি। [illegible]

...খোকক্রমস্থ মিতৈ লৈপাক মণিপুরনি। অমস্থ ব্রাহ্মীলিপি অদুই মিতৈ ময়েকনি।